ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

সোনামণি

ঙাইজরি নংবু নীংতম্বা

এলাংবম সোনামনি সিংহ

ঙাইজরী নঙ্‌বু নীংতম্বা

মনিপুরী সাহিত্যদু হুংশিদীবশিংদা

সোনামনি

ঙাইজরী নঙ্বু নীংতম্বা

কমলাসনা রাজকুমারীনা মঞ্জিৎ পব্লিকেসন মোইরাংখোম লোক্লাওবুং ইম্ফালগীদমক ইং ১৯৯৬তা অহানবা ওইনা কোপী ৫০০দং সুচেতা, প্রিন্টিং ৱার্কস লোক্লাওবুং ইম্ফাল, প্রেসতা নমহল্লগা ফোঙ্বা।

মমল— লুপা নিকুমঙা



Ngaizari Nangbu Ningtamba, a collection of twentyone poems by E. Sonamani Singh published by Kamalasana Rajkumari, in 1996 for Manjit Publications Moirangkhom Loklaobung Imphal and printed at Sucheta P.g Works, Moirangkhom Imphal 500 copies.

Rs 45.00

রা অমনিদং

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা শৈরেং কুনমাথোইগী অপুনবনি। নীংতম্বগী-দমক পৃথিবীদা অরোইবা বলিদান পীখিবা অথৌবা মশীং থীঁওমদনা লৈখি, লৈরি অমম্বুং লৈথিগনি। অদুবু পাঙ্গশেংবা নীংতম্বা হায়বদুবু মীওইবদি লায়রদুনা মীবু শেম্বী শাবিবিবা লাইদুফাও কংথ্রবরা?

মনিপুরী সাহিত্যবু নুংশিবীবা পুম্বগী মাঙ্‌দা থমজরী মীংযে' তাবিনবা অমদি তাকপী তম্বীবা গুম্বশীংনা তাকপীরকনবা।

ওক্টোবর ১৯৯৬ ইং

এলাংবম সোনামনি সিংহ

য়াওরিবা

পোক্লফম লমদম

মালঙ, অতিয়ানা ৱাংবরা ?
পন্থৌ মানা মহেল্লি ;
মালেম্ লৈমনা লূম্বরা ?
পলেম্ মানা মহেল্লি ।
পলেম্, ইমা পোক্লফম্ লম্দম্ !
স্বর্গ দেস্তু হেল্লবা
ঈশিং ফবী মতৈয় ফবা
চাংয়োক্ নাওয়োক্ ফজবী
নঙ্ গুম্বী ইমা পুক্ফবী
লৈরম্ গনি কদাইদা ?

মালেম্ লক্তা অথোইবী
পৃথি মাতা পুক্ফবী
আকাশ্ পক্লা ৱাংল চীং
য়ারেক্-শন্ত্রি নহাক্কী
বিরজানা পোক্থিবা
মথোয়্ সাগর তরেৎনা
থাঙ্গপাৎ ওইনা কোয়্রিবী

ডাইজরী নওবু নাংতম্বা

মীওইবা ঐখোই' পোক্লকম,
মপোক্ মপোক্ খুদীংদা
নঙ্গী নচা ওইজবা ।
নথান্নুংদা চাওজবা
নশাইগোন্দা শিজবা
অসিতনি পাম্জবা ।

মালেম্ লৈমা নহাক্কী;
দ্বিপ তরেৎলক্কা অথোইবী
জম্বু দ্বিপ্নি শোম্নরিবী:
সিদা লৈরি ভারত্ভূমী—
ঐখোয়গী্ ইমা পোক্লকম্ লম্দম্— ।
মালঙ্ পল্ল হিমালয়,
ইমা নঙগী শস্ত্রিনি;
বিরজা পুত্র সাগরনা
চাম্থোক্চরি নখোঙ্ থম্বাল্ ;
তির্থ কয়ানা তিল্লবী—
যোগী ঋষি মুনি কয়া
মন্ত্র তন্ত্র হোম্ জপ
নগুন্ শক্চ শোঙ্গবা
মালেম্ ফাওনা নিল্লিদো

হে মালেম্গী লৈকোল,
ঈশিং ফবী মহৈয় ফবী
মচা চান্বী নুংশি হৈবী

ইমা ঐগী পোক্লফম্, লমদম,
য়েক্লবগী মিহৌনফম
নঙ্‌বু ঐনা মুংশিজৈ ;
নঙ্‌গী নথাদা চাওজবা
নতম্বাক্তা শান্নজবা
নশাইগোন্দা শিজবা
অসিতনি পামজবা
নঙ্‌গী দমক্ ইমা
থল্লায় অসি কচচবা
অসিতনা য়াশক্লী ।

চানবী তৈবী অথাঙ্‌কন্‌বী
চায়োক্ নাওয়োক্ ফজবী
ইমা নঙ্‌বু পামজবনা
নঙ্‌গী নচা ওইনীংহ্নবা
খোয়ুম্ কয়া মি-তাদবা
থা-দোক্তুনা মুঙাইরবা স্বর্গ
লাংওন্ কয়া হন্না হন্না
পোকখি নঙ্‌গী নচা ওই
শান্নজখি নতম্বাক্তা ।
বৈকুন্থগী নারায়ন্
লক্মী ওইবী নারায়নী
লাংওন কয়া শাইওন্খি ।
লাইদগীনা হিংচা য়াইতম্
তিন্ কাঙদ্‌গী শা-উচেক্

পোক্লখি নচাওই
শাল্লরখি নতম্বাক্তা; ।
ঈশিং ফবী মহৈয় ফবী
চায়োক্ নাউয়োক্ ফজবী
অথাঙ্ কন্বী নুংশি হৈবী
নঙ্গুম্বী ইমা
লৈরম্‌গনি কদাইদা ?

মালেম্ পুম্বৈই কল্লক্লফম
নঙ্গুম্বী ইমা ফংজবা
মপোক্ লাংএন্ কয়াদা
তৌক্নরক্‌পা পুনানা
পোক্চবনি নচা ওইনা ।
অথাঙ্ কননী নহাক্নী
[illegible] ওইবীনি
নঙ্গ্ব্ ঐনা নুংশিজৈ ।
লৈবাক্ সিদা পাক্চবা
লৈবাক্ সিদা চাওজবা
লৈবাক্‌সিদা শিন্দবা
নঙ্গী দময়ক্ ইনা
থব্রায় অসি কচ্চবা
অসিতনি পাম্‌জবা ।

ঈশিং ফবী মহৈয় ফবী
চায়োক্ নাওয়োক্ ফজবী

ওাইজরী নঙ্গ্বু নীংতম্বা

ইমা নঙ্‌বু কল্লকপনা
চহি-চা লিশিঙ্‌ কয়া
মিহৌ মিৎয়েং যেংলক্‌পা
য়েক্ল মিৎয়েং শাংখৈরক্‌পা
লৈপ্পা লৈত মিতারক্‌পা
হল্লা-হল্লা হোৎনরক্‌পা
নচাশিংনা লিংজেন মাল্লরিবৈ
মপান্‌গী য়েক্ল কয়া—
ফনম্ভু কন্‌ থোরবা
ঙম্‌খিদে নঙ্‌বু লাকচ খুত্থুম্‌ চন্‌বা ।
অদুবু ইমা ! পুক্‌ফবী !
নচাশিং মথোঙ্‌ হুক্তু
চোঙ্‌লম্‌ চাদ' কয়ারক্কা
য়াওদরা নঙে তক্ষশিলা
নচালক্কা' লিংজেন্‌ মাল্লরক্কা
কৌরুই মরক্‌ মরক্কা
মপান্‌গী য়েক্লবা কয়া ।

অশুম্না লাকখি মথং মথং
মেসিডোন্‌গী আলেক্‌জাণ্ডর
গুর্জ্জর প্রতিহার শক্‌ য়ুচি
পাঠান্‌ মোগল্‌ টার্‌টার্‌
মামুদ্‌ ঘোরী বাবর্‌ ।
সমুদ্র ঈথাই ঈরাংমা লাম্না
অনীংবমগা লাক্‌খিবা

ভাইজনী নঙবু নীংজবা

লিংজেন্ মান্নর' ম্লেম কাঙ্লুপ
পর্টুগীজ ওলন্দাজ, ইংরেজ ফরাসি
মথোই লক্তা ইংরেজ্ জাতি—
তোথাই তোথাই তারবা
নচাপুম্বা মায়্থিবা পী—
ইমা নঙ্বু পোরক্ষম্ লম্দম্
লাকচ খুত্থম চন্
য়োংহলাং ফলাং থাং
নউন্ থোক্লা লাক্লখি
চহি চা—হেন্না—
ফক্চিল্লবা নচাশিং
য়ামন্খিবনা পঙ্থখি—
মরোল্ ফাও থোক্খিদে।

অদুবু ইমা
নঙ্গী নচা কয়া—
নঙ্বু নীংজবা;
কল্ল' থোর' কয়া
যুগ যুগতা, কৎখি
নঙগীদমক্ কৎখি
আত্ম বলিদান্;
থাখি থরায়্
কৎখি ঈরিক্ নথোঙ্-থাদা!
নীংশিংত্রনে ইমা মথোয়বু;
পুরু, দাহির্ পৃথ্বিরাজ

রানা প্রতাপ, শিবাজি ।
তিপুসুলতান্ লক্ষ্মীবাই
তান্তিয়া তোপী, বিরটিকেন্দ্র
থঙাল, পাওনা
ভগৎশিং খুদিরাম্
লিশীং লখানি যুগযুক্তা
ইমা নঙ্গীদমক্
কৎখিবা আত্ম বলিদান ।

য়েংউ ইমা অমুক্তা
পঙ্শিল্লবা নচাশিংলক্তা —
ভগবান্গী য়াথং পূরবা
বিবেকানন্দ দয়ানন্দ
নচা ঋষি কয়াগী
মন্ত্রনা শেংদোক্লবা
মমাগীদমক্ — মমাগীদমক্
থরাই কৎলবা কয়া
পোক্লক্ম্ লম্দম্ কল্লবা
মায়রোঙ্ য়ারক্লে য়েক্লবা ।
মচু অহুম্ ফিরান্ পায় —
ভারত জাতিয় কংগ্রেসতা
পুল্লপ্ পূন্ —
পো'রবাণ্ডরগী ফকির্
বাপু গান্ধিনা লুচিং
কল্ল থৌর খুৎলাই

ডাইজয়ী নঙবু নীংতম্বা

পায়্রহনা অহিংসা
য়াল্লরকলে ভারত্কী রনভুমীদা ।
মখোী শঙলবা থুংলাই পায়্বা ।
নেতাজিনা লুচিংবা
চঙশিল্লকৃথি ভারত্ রাংমদৈ
ইমা ভারত্! নঙ্বু কম্লবা ।

বাপুগী অহিংসা থুংলাই—মাঙ—
ব্টীশকী থুংলাই পুম্"
বোম্ তোপ্ নোংমৈপুম্,
ঙম্না ময়াই চম্খরে
নোংমৈ মখোল্ থোকখিদ্রে ।
জয়্ তৌখে জয়্ তৌখ্রে,—
য়েক্লবগী থম্মোইফাও
খুবাক্না খুবদা
চেন্খ্রে ঙম্না য়েক্লবা ।
ইমা লৈবাক্ মনীং তম্লে
পোক্লফম্ লমদম্ স্বরাজ ফংলে
নচা পুম্না হরাওজরে ।

নঙ্সি ইমা চান্বী হৈবী
মরম্-ওক্ত নচাশিং
মথোং্ হুক্ মংখায়না
কয়া মতীক্ শংলা ফাও
য়েক্লববু কৌক্লহনা

ভাইজরী নঙবু নীংতম্না

ওম্‌ দি শানা নৈহংলকাও

নোক্ল অৱা' থাঙ্‌খিবী
মচাবু ওক্ক লম্‌হেন্‌বা
মচাবু মথোঙ্‌ হুক্কবা
হেন্না লুনা তৌবিবা
নঙ্‌গুম্বী ইমা
লৈরম্‌গনি করি লম্‌দা ?

মচা চান্‌বী নুংশি হৈবী
চায়োক্‌ নাওয়োক্‌ ফজবী
হাকন্‌ চঙ্‌না য়োক্‌পীবী
তোনাল্লবা নচাশিং
য়েক্ল মায়রোং য়াওম্‌দা
নঙ্‌বু মীনাই ওইহন্‌বা
অতু-ফাও ৱারৌদবী
নঙ্‌গী নরাস্‌ লথানি ।
অতুবু ঐনা নুংশিজে
ইমা ঐগী পোক্লফম লম্‌দম্‌ ।
শীংথাবা ওম্বা কনানো
ঙাক্‌পী হৈবা ইমা নঙ্‌গী
য়েক্লফাও ঙাক্‌পীহৈবী
নঙ্‌বু ওংলম্বা য়েক্লবা
য়োংহল্লীং ফজাং চল্লম্বা
মখোয়্‌বু নঙ্‌না ঙাক্‌পীদো।

ঙাইজরী নওবু নীংতম্বা

তরাম্ তরাম্ তৌইদো।
নচাবু লুনা তৌবিবা
য়েক্ল-ফাও ঙাক্পীহৈবা
নঙ্গুম্বী ইমা পোক্লফম্ লম্দম্
লৈরম্লোই মফম্ কৈদা।

মালেম্ লক্তে অথোইবী
মীওইবা জাতি পোক্লফম্
ইমা লৈবাক্ পোক্লফম্ লম্দম্
ঙাক্পী হৈবী চান্বী হৈবী
নঙ্গী লৈয়রাক্ খুদীংদা
নচাগী ঈরিক্ খুদীংনি।
লাংওন্ লাংওন্ খুদীংদা
লৈবাক্সিদা পোক্চবা
লৈবাক্সিদা চাওজবা
লৈবাক্সিদা শিজবা
থরায়্ অসি কচ্চবা
ইমা ভারত নহাক্কী
পাম্জৈ সিত্তা ঐখোয়্না
পীবীয়ুকো নহাক্না।

ডিসেম্বর ১৯৮৪ ইং

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

(২)

ঝিলম তোবর্বান্দা পুরু

"তক্ষশীলা। ওয়্যাক্‌পনি তক্ষশীলা !
য়োরক্লে থোঙজিন য়েক্লবনা
ইমা লৈবাক্কী য়েক্লবনা ;
করিগী অমুক্‌ পঙ্‌থরী
করিগী অতুক্‌ হ্রারৌরী ?
ইমা লৈবাক্কী নীংতম্‌ ঙাক্‌পা
ইমা লৈবাক্কী মান্‌ মর্য্যাদা
য়েক্ল-খুত্তে কন্‌বা
মচা পূম্বে থৌদাংনি
মচা পূম্বে হ্রাশক্‌নি।
হৌগ্রবা কৈসু লৈতবা
মচীন মনাও খংনবা
মতুগী মোলোম্‌ কাউথোক্‌খ্রো
অমুক্‌ নীংশিংলুরনো ;
য়েক্লবনা থোঙ্গাল্‌ য়োরক্‌লে
ইমা লৈবাক্‌ অন্না-নংলে
নঙ্‌ ঐ, ঐখোই পুম্বা পুন্না
লৈজবা থুংলাই পায়তুনা।
য়েক্ল—মায়্‌রোং য়ারসি
ইমাগী মান্‌ ঙাক্লসি।

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

"কদাই মন্ত্রী অথোইবা
পাউ পুথুনা চৎলুবা
করি হায়্রক্ই তক্ষশীলা ?"

"তাবীয়্ লৈকোয় মপু
ঐবু লোইবা লৈমাবা !
ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ !
ওইথ্রে—ইমা লৈবাক্কী য়েক্নবা
য়েক্লবা যবন্ সেকেণ্ডর মথোঙ্খা
তাউবা হুয়্গুম্ লেক্লুনা
মমৈ ফেং ফেৎ হাইথুনা
ইনিংথৌ নঙ্গী মায়োক্তা
ইমা লৈবাক্কী মায়োক্তা—
করি হায়্না হঙ্গৎশিগে
লৈকোয়্ মপু অথোৱা !
অন্তী তুংইন্ তাউবা হুয়্
হুয়্রোই নিংথৌ কয়ানি
য়েক্লবা যবন্ সেকেণ্ডর মথোঙলেক্
মমৈ ফেৎ---ফেৎ হাইরিবা।"

"তক্ষশীলা ; ওম্তোকপনি তক্ষশীলা !
অপুনবা শক্তি চেক্থায়্রে—
ভারত থোঙজিন্ মক্তদা
লাক্তমত্র য়েক্ল' মমাঙ্মক্তা।

ওাইজরী নঙবু নীংগুম্বা

অপুন্‌বা শক্তি য়াওব্রবা
তোখাই তোখাই তারবা
য়েক্লবা লাম্বা তোক্তুনা
মচা মশেল্‌ হাৎনবা
ইমা পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌ !
শিবু য়েংতুনা লৈগব্রা ?

দ্বিপকীলক্তা পুক্লীংহুর' জম্বুদ্বিপনি
দ্বিপসিদা লৈরি ভারত ভুমী
ইমা লৈবাক্‌ পোক্লফম্‌ লমদম্‌
তির্থ কয়া তিন্নফম্‌ ,যোগী ঋষি 'পোক্লফম্‌
পুন্য চেন্‌বী ঈশিংফবী মহৈয় ফবী
মচা চান্‌বী নুংশি চাওবী
ইমা পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌
নঙগী নীংতম্‌ ডাক্‌পদা
নঙগী মান মর্য্যাদা ডাক্‌চবদা
থব্রায় অসি থাজবা,
লান্‌ফম্‌দা নীংহন্নদবা
পীবীয়ু নঙ্‌না চান্‌বী হৈবী ।
নচা কোটি কয়াই পাম্বোম্‌
উবতদা য়েক্ল' কয়া মিপাইবা
নচাশিংনা পুন্না লেম্না মিকুপতা
মালেম্‌ থক্‌ থক্‌ নীক্‌হন্‌বী

ডাইজন্নী নঙবু নীংতব্রা

পীবিয়ু ইমা থৌনা ”
নঙ্‌গীদম্‌ক্‌ থরায় থাবা ।

“পৃথিবী তংখায়্‌ খোঙ্‌নেৎনর’
বিশ্ব-বিজয়ী সেকেণ্ডর মাঙ্‌দা
হৌজিক্‌ ফাওবা চঙ্‌জরক্রি—
পীরবা লৈবাক্‌ ঝিলম্‌ মপু !
সেলুকস! কদাই করি পাও „
হল্লকবরা থাখিবা হুত্‌।”

“তাবীয়ু সেকেণ্ডর মেসিডোন্‌ মপু
পারস্যগী নিংথৌরেন
বিশ্ব-বিজয়ী সেকেণ্ডর
পৃথিবী তংখায়,, খোঙ্‌নেৎনববা !
নখোঙ্‌দা চঙ্‌জরবদা
তক্ষশীলা অম্ভী ফাওবা
পঞ্জাবতা কনা লৈহৌদ্রবা’
পুরুতদি ঝিলম, মপু
থৌওই উসিত্তু’ হল্লকলি হুত, মপাও
হায়রকলি চাওথোক্লা—
“তাও হে যবন্‌ সেকেণ্ডর অথৌবা !
হনখ্রো নরৈবাক্তা পুরু থেংনত্রিদৈ ।—
ইমা ভারত ভুমীনা
নঙোন্দা করি য়েৎলহুনা

নঙ্না করিগী লান্দাৱক্নী ?
করিগী ওৎ-নৈররী ?
চীক্ন ঈংন পাঙ্গবা ভারত ভূমী মচাশিং
কনানা করি কায়খি-মেসিডোন্দা ?
নরৈবাক্কা লন্দার'গ্নু নত্তা
নঙোন্দা লঙ্জর'গ্নু নত্তা ,
থেংনদ্রিবৈ মমানীংবা মচাশিং
হঙ্গহো নরৈবাক্ মেসিডোন্দা ।
পুরুগী শিংলিদা ঈ চেল্লিমথৈ
ভারত ভূমী লাক্চ খুদ্রুম্ চন্দোবা
ইমা লৈবাক্পু অরাবা পীদোবা
বর্ব্বর সেকেণ্ডরদি হায়রুমু
তাইবঙ্দা মরু ঈল্লুন্ তমদরি ।
বিশ্ববিজয়ী সেকেণ্ডর কয়া কনবা
ভারত মচা পুরুনা কয়া থৌবা „
খঙ্নসি ঝিলম্ তোর্ব্বান্দা ।

"পুরু লাল্লুম্ চোমাই লৌ
ঝিলম্ লৈবাক্ উৎ ওইহন্
সিন্ধু তুরেল্দা লংথদ্রি-ফাও ।
সেকেণ্ডর হল্লরোই মেসিডোন্—
কদায়্ ঐগী খুৎসু থাঙ্লেন
কদায়্ ঐগী তিমেন্ তা
কদায়্ ঐগী খুনেংশা—

ঙাইজরী নঙবু নীংতহা

চঙ্‌ শিঙ্গু অথৌবা পুম্বা
খাক্লসু শগোল শামু রথ দলাই
থাংশাং পায়বা লাংশোই পায়বা
লৌরুং পায়বা কনা খাক্তা
গ্রীক্ লাম্মী সমক্রুনা
পুম্বা থ্‌ম্‌হৎলসি ঝিলম পুক্ল । ”

লৈবাক্ পুংজাও থীল্লে,
হন্দুভী দফৎ দাম্‌মা য়ৈরে
পেরে শিঙ্গা মোইবুং খোং
মৈহুম মোরোক্ কাচিন থুং
লৈবাক্কী কোচিন্ কোয়া কায়াদে
অফংবা খুৎলাই খুত্তা পায়্,
থৌনা ফবা লৌশীং লৌশীং
মমাগী মচা থৌনা ফবা
মমা পোক্লফম, লম্‌দম্‌গী
ইকাই খুম্নবা ভাক্লবা
লৈজবা পুম্বা কৎনবা
তিল্লরে পুক্ল কোল্লুং মপুংয়াই —।
মরাইবক্তা চন্দন্ নম্
অভৌবা লৈপরেং শি—
ভারতকী থৌনা ফবী
মাগী মাগী লোইনবী
মচন্ মচে মমানা

মপুরোইবা, মচা মশু মবুং মৌপ্বা
মথুং মখুত্তা থাঙ্শাং পীন পীনা
হায়রকৃই শিন্নরকৃই
থোৌনা ফনা নুংশিনা
"য়েক্রবা তুম্না হাত্তুনা
ইমা লৈবাক্ কল্লু
পোক্লফম্ লম্দম্ কল্লু
জয় ইমা পোক্লফম্ লম্দম্গী জয্ ।"

"চংথিসন্নু তক্ষশীলা
য়াওখিসন্নু অন্তী কয়া
য়েক্রব-লন্তা হুয়রোই ওইনা
পুরুগী পাম্বোম্ ময়েং তাদ্রি
পুরুগী থাংশাং—ঈথৌলাংলি—য়েক্রবগী ঈ ।
পুরুগী তা পাম্লি
য়েক্রবা থবাক্ ঈরম্ফাং;
নচা অমনা লমকেং লমহাই
নঙ্গী য়েক্রবা ওইদ্রনা
ছীল্লবন্নু নঙ্গী মাঙ্ননবা-
য়েক্রবগা তিন্ননা
লৈরি নচা অমা
নঙগী ইকাইথুম্ন ঙাক্রবা
জাৎ-ধর্ম্ম থায়দনা
নচা লক্ষা কোটিনি

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

নঙ্গী ঈঙ্গিত্ ফংবদা
থুংগু থাঙ্লেন্ পায়ত্না
লানফম, য়ায়্দা চোংথোক্
য়েক মায়রোং য়ারিবা
পুরু ঐগী শিংলিদা
ঈরিক্ মত্তং লৈরিঙে
ইমা লৈবাকপু লাকচথুত্নম চন্দোবা
মরু ঈহুন্ তমদরি
মালেম্দা অমা লৈতরি ।
হাপ্পীয় ইমা থৌনা
নঙ্গীদমক্ থরাই থাজবা ওম্বা ।
কদাই মপং খন্বা যুবরাজ !"

মবুঙোই লাইবক্তা চন্দন্ নমজর'
ওকশমদা লৈরাং পরেং হুকচর'
ইমা ভারতকী মচা মমৌ ওইবী
ঝিলমগী মবেম্মা পুরুগী রানী
মবুঙো থুত্না থাঙ্শাং লান্ন-লান্না
থৌনা ফনা ঈংনা তপ্পা
হায়জরক্ই মবুঙো য়েংনা—
"য়েক্কবা তুন্না হাত্তুনা
ইমা লৈবাক কল্লু অথৈবা !
ভারত্কী সিমা রাংম-লান্না
তাম্মোক্লগা য়েক্ক' পূম্বা ,,

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

হন্বীরকউ অতেক অকায়্ লৈতা ।
"তাও তাও পাথৌ পুম্বা
ইমাগী মান্ ঙাক্লবা
থাব্লায় পাম্মুবা লৈতনা
য়েক্ল পুম্বা হাংনবা
চঙ্শিল্লশি ঙসি লানফম্দা
জয় জয় ইমা ভারতকা জয়
জয় জয় ইমা পোক্লফম্ লম্দম ।"
"জয় জয় ঝিলম্গী জয়
জয় জয় পুরু মহারাজকী জয় "
"ইমা লৈবাক্ পোক্লফম্ লম্দম,
স্বর্গদৈস্থ হেল্লবী ইমা নঙ্গীদমক্তা
য়াইবী থব্লায় কচ্চবা
পীনবীয়ু নহাক্তা
হাপ্পীয়ু থৌনা হন্দবা ।
ঐগী শিংলিদা
ঈরিক মত্তং লৈরিডৈ
করম্বা য়েক্লবানো--
কয়া থৌন্না ফবা
ইমাবু :
ইমা লৈবাক
পোকনফম লম্দম্বু
লাকচ থুত্থুম খোঙ্নেংনা

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

মায়থী হকাই পীরদৌবা ।—
কদাই মীখোঙ, হাম্বা অম্ভী
য়েকনবৈই হুয়রোই তক্ষশীলা—
লৈরম্মু, লৈরম্ম, সেকেণ্ডর
ঝিলমগী তোর্ব্বান্দা
পুরু ইতিক্ খঙগনি—
জয় জয় ইমা ভারতকী জয়
জয়, জয়, ইমা পোকনফম্ লম্দম্গী জয় ।

আগষ্ট ১৯৮৭

(৩)

তারায়ন্দা রাই পিথোরা

পৃথ্বি লান্সি সিহাব্উদ্দিন্
থুংলরে তারায়ন্দা, লোয়নবা
মশীং লাকণ্ডমঙ্গবা যবন্ লান্মী;
ছৌখিবা কুমজাদা মায়থিখিবা
নীংশীং নীংশীং লমন্ থুমগে ।
হন্দক্তি য়াওরক্লে মাগী লান্মী লক্তা
ভারত মচা কনৌজ মপু জয়চান্দ
ইমা ভারতকী মায়্য়োক্তা ।

কনৌজ মবুঙো জয়চান্দ
মমায় ওাঙন শাও
নিংশা ফুয়ন হোন্
থাঙথুমদগী থাঙশাং শংনশংনা
চেম্থোরকথি স্নথোং তাম্না
"কদাই লৈরম্মু
চৌহান শাগৈ মৈতাল অশিবা,,
আজমীর মপু লৌনম্বা।"

কনৌজ থাঙ্শাং য়ৈথরম্
মজাইবেম্মা কনৌজ

লাঙ্গোই থক্তা থাংগৎলা
কুন্দো পরেং থোল্লবা
পাথৌ রাই-পিথোরা
শগোল্ খুরুপ্ থৌখরে
তানবা অমুক্ ফংদরে ।
তকৃসি শোন্না লৈহৌই
মকন্থি মরন্ ফোয়্রবা
কনৌজ মপু জয়চান্দ
নুমিৎ অতু কাওবা য়াদে
ভারতকী নিংথৌ তিল্লবা
নিংথৌ লিশীংলথা মাঙ্
সয়ম্বর সভা মাঙ্দুদা
ইকাই শেঙ্গোই লাংখিবা
কনৌজ মপু লৈমাবা ।

কনৌজ কোন্নুং মপূংয়াই
নোংচুপ থোঙ্দা থুংলরে
আজ মীরগী চৌহান্ তুত
তারাম তারাম ওক্কুনা
পুশিল্লকলে সনা মাঙ্দা ।
হঙ্গৎলি তুত্ আজমীর মপাও—
"তাবিয়ু লৈকোই মপু কনৌজগী মবুঙো
চক্রচয়কই ঐবু লোইবা লৈমাবা
আজমীর মপু রাই পিথোরা—

"ইকাই থুম্নফম, থোক্লবা পাঙ্গন্‌বা
হাকুম্‌তা মায়্‌থী পীথিবা
য়েক্লবা যবন্‌ লান্মী
লান্‌সি সিহাবউদ্দিন্না
চাওব্রবা লান্মী তেঙ্গোলপু
লান্‌শীংলরে ভারত্‌ ভুমী
পঞ্চনদি লম্‌দম্‌ কয়া
উফুল, থোক্লা নৈথায়্‌রে
ভারত মচা অব্রা নংলে—

ভারত্‌ ধর্ম্ম খুদোং থীরে
জাতি সভ্যতা মুংশা থীরে
পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌ ইমা ভারত্‌
য়েক্লবনা থোঙ্‌নেংনবা
বর্ব্বর যবন্না শুং নৈবা
করম্‌ য়েংঙ্গনা লৈনি অথোবা।

হৌখ্রবা মপা-মচা মচীন্‌ মনাও মশেল
খংনবগী মুঙাইত-পুন্না কাওছনা
মুংশিবিফম্‌ থোক্‌পা
মচীন্‌ মনাও মচা মশুবু চানবীছনা
ইমান্‌ নিংথৌ অথোবা
নতেং পীবীয়ু য়েক্ল মায়রোং য়াবদা
ইমা লৈবাক্‌ ভারত ভুমী অব্রাবা তারে
লৈবাকী ইজ্জৎ সভ্যতা কৃষ্টি খুদোং থীরে

ঙাইজরী নঙবু নীংঙ্গ্বা

ইমা পোক্লফম্ লম্‌দম্
মাগী মান্ মর্য্যাদা ঙাক্লবা
ইনীংতম্বা ঙাক্লবা
পুন্না, মচা পুম্বা পুন্না
য়েক্ল' মায়রোং য়ারসি
ইমান্ নিংথৌনা চান্‌বীয়ু
য়েক্ল' পুম্বা তাম্বোক্‌সি
জয় ইমা ভারত্‌কী জয়
জয় পোক্লফম্ লম্‌দম্‌গী জয়।"

করি পাওথুম্ জয়চান্দ
করি পাওথুম্ কনৌজ মপু!
রাপাংলক্‌ই মন্ত্রি মকোক্ লৌশিংবা
মমা নীংবা ভারত্ মচা—
"তাবীয়ু লৈকোয়্ মপু লৈমাবা
কনৌজ মবুঙো অথোবা
অচুম্বনি শোয়্‌দবনি।
দ্বিপকী লঙ্কা অথোইবা জম্বুদ্বিপনি

দ্বিপসিদা লৈরিবা ভারতভুমী
পুন্য চেন্‌বী মচা চান্‌বী পুক্‌ফবী
ঙশিং ফবী মহৈয় ফবী—
ভারত ভুমী অন্না-তারে
ইমা ভারত্ খুদোং থীম্লে
য়েক্ল' যবন্ লান্দারক্‌পা

অরাবা কোক্‌থোং কোক্কা থোংলে
পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌ অরা তারে।

নীংশীংবিয়ু কনৌজ মপু
অচুনোং—গজনী সুলতান্‌
যবন্‌ মামুদ্‌ হাক্তক্কা
মচা পুম্বা পুলহৌদবা
ভারত্‌ কাংথোং চাইখিবা
পুক্নীং রাখল্‌ চণ্ডবীয়ু
নমাক্‌ নিংথৌনা হায়জবা
পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌ য়েক্লদৈ কন্‌সি

পুন্না থিংসি যবন্‌ ঘোরী
মচা পুম্বা পুন্দুনা
য়েক্ল লাম্বা পাবনা
মচাশিংগী থৌদাংনি
লেংকোয়্‌ মপু থম্বীনি
আজমীর্‌ রাফম্‌ অচুম্বনি
জয় ইমা ভারতকী জয়
জয়্‌ পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌গী জয়।”

করি রারেপ, জয়চান্দ
করি রারেপ, কনৌজমপু?
অরাং থোঙ্‌দা থুংলবা
তারাম্‌ তারাম্‌ ওক্লুনা
সনা মাঙ্‌দা য়ৌরবা

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

ঘোরী মাঙ্গী যবন্ ছুত্
হায়রক্ই কনৌজ য়েংনা
লূম্না থা-না ধম্কা য়াওনা

"তাবীয়ু কনৌজগী মবুঙো
হায়জরক্ই সিহাব্ উদ্দিন্
ঘোরী সুলতান্ পাঙ্গন্বা
নীংশীংবীয়ু কনৌজ, মপু।
আজমীর্ মপু লৌথিবা
পাঙ্গন্ চাওবা রাই পিথোরা
ঘোরী ঐগী য়েক্লবা
নঙ্গী য়েক্লবনি তম্থিবা

নীংশিংবীয়ু সয়ম্বর ব্রাফম্
য়েক্ল' লমন্ খুম্বদা
করম্বা নিংথৌ পাঙ্গন্বা
নীংহন্নবা য়াওবগে
নঙ্ ঐ পুন্দুনা
লমন্ খুম্সি য়েক্লবা
ঐগী মীচঙ্ ওইহনা
য়েক্ল লমন্ খুম্বনা

য়াইফবা ওইনি কনৌজগী
অচুম্বা ওইনি মহুনা
সিহাব উদ্দিন্না ঙাইজরি
কনৌজ্ তেংবাং লাম্মী

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

কনৌজ্ মপু লোয়্রনা
তারায়ন্দা থিন্দনা।”
করি পাউথুম্ জয়্চান্দ
করি পাউগুম্ কনৌজ্ মপু ?

রা থেংলকই লাম্মী মপু
কনৌজ সেনাপতি পৃথি লান্সি
সয়ম্বর সভাদা
হৌথিবা লান্ফম্ কয়াদা
হন্না হন্না মায়্থিখিবা
নীংশিং নীংশিং পিথোরা খোনা—
“তাবীয়ু কনৌজ মপু
নীংশিংবীয়ু সয়ম্বর্ সভা

ইকাই ফিরুক্ খুম্থিবা
নিংথৌ লিশিং লখা মাঙ্দা
য়েরুবা চৌহান্ লমন্ খুম্বা
খুদোং চাবা তাঞ্জানি
তাঞ্জা অসি নাম্থোক্লুবা
নাচঙ্বীয়ু লৈমাবা।”
করি রারেপ্ জয়চান্দ
করি পাউথুম্ কনৌজ মপ ?

কাউবা ঙমদে মুমিৎ অদো
সয়ম্বর্ সভা মাঙ্

নিংথৌ ময়াম, মিৎ মাঙ,
মায় থিখিবা রাই পিথোরা খুত্তা
ইকাই ফিরুক্ থুম্খিবা
নিংশা ফুয়ন-ফুয়ন হোন,
হায়রকই কনৌজ, মপু
ঘোরী চুত, য়েংতুনা—

"তম্মু সিহাব্উদ্দিন্দা
ঐগা লোয়্ননা
ঐগী ইখাদা লৈবা নিংথৌ পুম্বা
মাগী মাগী লান্মীগা লোয়্ননা
ওইগনি মাগী মীচঙ,
পাক্ চাওর' কনৌজ লান্মীনা
থৃম্হৎকনি আজমীর মপু
শিংগনি লমন্ শোয়্দনা।

ইকাই ফিরুক্ থুম্খিবা
সয়ম্বর সভা ময়ায়্দা।
য়েরুব' আজমীর্ দিল্লিদা
যবন্ ঘোরীনা লান্দাবা
ঐগী লমন্ খুম্বগী
মতাং চার' তাঞ্জানি
কদাই আজমীর চুত,
তম্মুচো নবুঙোদা—

ভাইজরী নওবু নীংওতম্বা।

চৌহান শাগে মৈতাল অশিবা
হায়রু মঙোন্দা রাই পিথোরা
জয়চান্দগী অরেপ্পা রা
মাগী পুন্সিগী অরোইবা রা—
করম্বা মতম্‌দা লৈখি
অপূন্‌বা লৈবাক্ ভারত ভুমী
মঙ্‌নি মঙ্‌ মুনি ঋষিনা মঙ্‌বা
রাখল্‌গী ফুবানি খঙ্‌দবনা শাবা ।

পঞ্জাবতা য়েক্ল শংনৈবা
বর্ব্বর জাতিনা সিন্ধু জয় তৌবা
যবন্‌ ঘোরীনা আক্রমীরদা লান্দাবা
করম্‌ ওইনি ভারত্তা লান্দাবা ?
মশাগী লৈবাক্ কঞ্জবা
আজমীর লৈবাক ঙাক্‌চবা
চৌহান্‌ মাগী মথৌনি
য়েক্ল' লৈবাক্ কন্নবা
কনৌজ করি যাওগনি ?

গহ্দবলাগী য়েক্লব
চৌহান্ তুম্না মাঙ্‌খিবা
কনৌজ ঐন পাম্বনি ।
অঙ্গ বঙ্গ কলিঙ্গ মিথিলা মগধ
কোশল, অযোধ্যা
উজ্জয়িনী মথুরা মালব

ঙাইজবী নঙবু নীংতম্বা

গুর্জ্জর পরিহর, তোমর চৌহান্
চান্দেল, চেদী পল্লব,

চোল, চের চালুক্য
পাণ্ড্য পারামার সৌরাষ্ট
সিন্ধু ভোজ কাশ্মীর
আজমীর কনৌজ পঞ্জাব,
তোঙান, তোঙান্‌বা লৈবাক্কী
করম্না ভারত ওইদৌরিবা
আজমীর দিল্লী তুম্বদি
চৌহান, শংগৈ মুংপদি

কনৌজ ঐগী মতোন্নী
গহদবলাগী আশানি
জয় কনৌজগী জয়
জয় কনৌজগী জয়।"

"চংখিসন্নু জয়চান্দ লখা লখা
লেক্‌খিসম্নু য়েক্ক' যবন, মখোঙ,
য়াওখিসন্নু কনৌজ লিশীং লিশীং
ওইখিসন্নু মমা ভারত্‌কী য়েক্কবা
লৈরি আজমীর রাজা
মমা নীংজবা মচা রাই পিথোরা
ইমা ভারতকীমক্তা থরাই কচ্চবা
লৈরি হিংলি লান্‌ফম, য়াইদা।

ওইজরী মওবু নীংতবা

লাঙ্গোই চল্লবস্থ কোয়্না
মন্নুংগী মপান্গী য়েক্লবনা
পোক্লফম্, লম্দম্, ইমা ভারত
মান্, মর্য্যাদা ভাক্লবা
চৌহান্ তোমোর কোটি লৈরি
হিংলি হৌজিকস্থ রাই পিথোরা
লাও পাথৌ পূখ্না
চঙ্শিল্লু অফংবা খুৎলাই পায়্

লৈরম্মু যবন, লান্সি
চেন্গন্নু গহদবলা—"
খুৎস্থ থাঙ্লেন, খুজুম, চেৎ
লাঙ্গোই খুরুপ থা-জুনা
চোংশিনখ্রে লান্ফম্দা
আজমীর রাই পিথোরা
জয়গী ধ্বনী লাওজুনা
জয় ইমা পোক্লফম্ লম্দম্গী জয়
জয় ইমা ভারতকী জয় ।"

আগষ্ট ১৯৮৭

(৪)

কংশিল্লক্লবা ঈচেল

নীংথম, কাম্বী চঙ্লক্লে
কংশিল্লক্লে লাইজ ঈচেল,
হৌদ্রে ঈথক, ঈপোম,
পীক্থরক্লে পীক্থরক্লে
কংখ্রগদবা লাইজ ঈচেল,'

চেন্থরী লাইজ ঈচেল, পীক্লা
মোং-ছাদ তপ্না তপ্না
মালঙ, খংগোন,' থেংবদা
লেঙদ্রে, লেঙদ্রে ঈরিক্
চাইথদ্রে ভাম্থবদা।

ঈরিক্ অমমম্তা তোপ, তোপ,
লংখ্রগদরা ঈচেল, অসে—
লোইনাইদ্রবা ঈচেল্নি
কংবা লৈত্রবা ঈনুংবংদগী
হন্থবা লৈত্রবা ঈরাওথোলনি।

ভাইজরি নঙবু নিংতম্বা

কংহৈদ্রেবা ঈফুৎনি
করম্না লাইজ থক্কনি ?
করম্না ঈচেল, লেপ,কনি ?
করম্না ঈচেল, লৎকনি ?
কংবা য়াদ্রবা ঈচেল,নি ।

অদুবু পীকৃশিল্লকৃলে নোংমা নোংমা
লংনা লংনা তারক্লী ঈরিক্ তপ, তপ,
শাংলবা নিংথম্থা হৌবতা ঙায়,রী
তংখ্রদ্রা বসন্ত লাক্লিবৈ
লংখ্রদরা ঈরাওখোল, ?

লৈশেম্ঙৈদৈই চেল্লকৃলিবা ঈচেল্নি
চেন্মিন্নরী মতম্গী ঈচেল,গা—
নোংজুথা অমুক্ অমুক্ লাক,পদা
নিলখোংথি ঈরাওখোল,না মৈন্তেলোক, থল্লা
শোন্নথি মালেম্ মৈতলোক্কী ঈচেল, ।

গোলুক, বৃন্দাবন্ য়ায়,দা
নিভৃত নিকুঞ্জবন্দা
থুজি নাচি খোঞ্জেল,নি
নোপুর রুনু খোন্থাংনি
তিন্নথি যমুনা ঈরাওখোল,

তিন্থি গঙ্গা ঈচেল,দা
চেন্থরক,থি নোদিয়া তান্না

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্না

গঙ্গানা ঈহৌরক্‌পদা
ঈরাওখোল্‌—লান্‌থি চীংলোন্‌ কয়া
য়ৈররি তিন্নররী ঈরাওখোল্‌

মৈতলোক্কী ঈচেল্‌
লৈশেমঙৈদৈই চেল্লকলি
থম্মোই খোন্থাং কয়ানি
করতালগী ঈহৌনি
পূংগী পূংখোল্‌

অমত্তুনি অমত্তা
তিন্‌থিবনি ঈরাওখোল্‌
চেন্‌থখিবনি তাংথক্‌ নাইদ
মৈতলোক্কী সংকার্ত্তন্‌ ঈচেল্‌ ফাংনা,
সাগর্‌ তম্না বিরজা।

চঙ্‌জরি বিরজা মবুঙো থোগল্‌
উদ্রিঙৈ মাবু মবেম্মা রাধিকা
থোঙ্‌ ঙাকলি সুদাম্‌ মবুঙো য়াথং
হৌরে ঈথক্‌ ইপোম্‌ বিরজা লাইজ
হরাও জগোই শাই মৈতলোকী ঈচেল্‌

অদুবু নিংথম্‌ কাম্বী চঙ্‌লকলে
খজিক্‌ খজিক্‌ কংশিল্লকলে লাইজ্জ ঈচেল্‌
হৌরক্লে ঈথক্‌ ইপোম্‌
পীকৃথরক্লে পীকৃথরক্লে
কংখ্রগদ্রা লাইজ্জ ঈচেল্‌ ?

ঙাইজরী নঙবু নাংতম্বা

ঈহল্ খুদীং ঈচেল্গী লৈয়ত্তাফম্
মালঙ্না হুম্বদা হৌরি ইথক্ মচা
লেঙ্বোই লেঙ্দবোই মোং-হাদা
পীক্লে ঈচেল্ ত্তারি ঈরিক্ অমমম্তা
লংখ্রগদ্রা লাইজ ঈচেল্ ?

ফুঙ্গিল্লকলি ঈরম্ য়ুহা খুদীং
তোয়্রক্লী য়ুহা' কুংলক্লী পারম্চংনাশি
শাংলবা নিংথম্থা ছৌবতা ওায়্রি
লংখ্রদরা ঈরিক বসন্ত লাক্লিডৈ
লংখ্রদরা ঈরাওখোল্ ?

লাক্লরোইদ্রা য়োইমোংবা তাওথিংমাং
তূংখোং তেং ফাংনবা ঈরম্ ঈচেল্ ।
কুম্গী নোংছৌ লাক্ বসন্ত খোঙ্লোই
ঈথক্ ইপোম্ হৌ মালঙ্ খংগোন্ হুম্
হাথররোইদ্রা লাইজ রাই রাই ?

আগষ্ট ১৯৮৮

(৫)

পোক্লফম্ লম্দম্ মালেম্ লৈমা

কুমজা কয়াই মমাঙ্দা
সিতা চীংজাও চীয়াঙ্দা
লেপ্লুই য়েংলুই মায়কৈ সুন্দাই মরিদা

নোংপোক ওন্না মিতারুই
মিং শুক্লা য়েংজরুই ;
পাক্ল-ছন্না লৈখ্রিবা কবো তম্পাক্ লম্নুংসি ।

ওইরম্মী মতম্ অমদা
ঐগী ইমা পোক্লফম্ লম্দম্
ঈশিং ফবী মতৈয় ফবী পোক্লফম্ লম্দম্ লম্নুংশি

নিংথেম্ ক্যাম্বা হাক্তকৈ
য়েন্দাবো সম্ভি মমাঙ্ফাও
ইমা নঙ্গীদমক্তা কবো তম্পাক্ লম্নুংসি

মচা কয়াই য়াইবী থবাই
কচ্চখি লেপ্পা লৈতনা
য়েক্ল মায়রোং য়াজখি অরাথুংসি তাম্হোক্খি ।

ভাইজরী নওবু নীংতম্বা

নোংচুপ্‌ ওন্না মিত্তারুই
মিং লাওথোক্‌ য়েংজরুই
চীংনা কোয়্‌না পনশাবা
হাওনা কোয়্‌না পন্‌ত্তাক্‌পা
মণিপুর ভম্পাক্‌ লমমুংশি

ইমা ঐগী পোক্লফম্‌ লম্‌দম্‌
ইমা নঙ্‌গীদমক্তা
মচা কয়াই য়াইবী থৱাই
কচ্চখি লেপ্পা লৈত্তা
য়েক্ল-মায়রোং য়াজখি।

নীংশিংলি কাওবা লৈতনা
টিকেন্দ্র থঙ্গাল পাওনা
লোয়ননা অথোবা নচা কয়া
য়াম্বাখি খোংজোম্‌ লান্‌ফম্‌দা
কথোক্‌চখি মপুন্‌সি।

ইমা পোক্লফম লম্‌দম্‌ ঐগী
ওসিদি ওইরে নহাক ভারতভূমী
ঈশিং ফবী মহৈয় ফবী
মচা চানবী হুংশি চাওবী
ইমা নহাক্কীদমক্‌নি

মমানীংবা মচা কয়া
পুরু দাহির জয়পাল কয়া

লাইজমী নঙবু নীংতম্বা

অনঙ্গপাল, পৃথ্বিরাজ প্রতাপ কয়া
শিবাজি কয়া তিপু কয়া
জোয়নলা নেহরু সুভাস গান্ধি

য়াইবী থরাই পোস্তা ওই
কথোকৃচথি মপুন্সি
কৌজিকমু নৈরি নচা কোটি কোটি

য়েরু-মায়রোং য়াগে লেপ্‌লি
য়াইবী থরাই পোস্তা ওই
কথোকৃচরি মপুন্সি

অচুবু ঐদি ইমা পোক্রফম্‌ লম্‌দম্‌
নঙ্গীদমক্‌ তিংজাগ
পুকিসিমা নোমং [illegible] [illegible] নাঙ্গীদমক্রা।

মাওইবে ইতিহাসও
হুংননবা লানফমদা
মথন্‌-মথন্‌ লোগেডমদ মান্ন-মান্ন কাঙ্‌লুপশা

কাঙ্‌লুপ্‌ কাঙ্‌লুপ্‌ ডাক্রবা
কাঙ্‌লুপ্‌কী য়াইফ কল্লবা
য়েরুবা লান্‌বানরকথি য়াইবী পোস্তানরকৃথি।

শেংপা চাবা মনীংথুং
নৈফম, চাফম, মরাং কায়,
রাত্ত-পাদ নৈনবা

ডাইজরী. নণ্ডবু নীংতম্বা

ইনিংতম্বা ঙাক্লবা
য়াইবী পোম্থানরক্খি

মরৈবাক্ নীংবা কৌনরক্খি।
মতম ম'দা ওইরম্মী
লৈকায়্না থুঙ্গংমা পোক্রফম্ লম্দম্
কথোক্লরম্মী য়াইবী থবাই
লৈকায়্গী থুঙ্গংগী পানাগী।

থৌজিক্ ওইরি ইরৈবাক্
পোক্রফম্ লম[illegible]
ঐনা ঐনা [illegible] ঐনা ঐনা পোক্রবা
য়াইবী থবাই [illegible]
[illegible] কথোক্লরি ইপুন্সি।

অহুব ঐগী দি
ঐগী ইরৈবাক্ পোক্রফম্ লমদম্
নহাক্কী ইমা মালেম লৈমা
মিংসিনা য়েংজগে নঙ্গী ফজবা শক্তম্
নাকোংনা তাজগে নঙগী মুংশিবা খোঞ্জেল

লৈয়েংনা খচ্চগে নঙ্গী কোলোই
চিনসিনা শোঞ্জগে নঙগী নগুন্
লৈশি-লৈথোঞ্জগে পোলোই ফাও
ঐদি হিংজগে নঙ্গীদমক্
নঙ্গীদমক্তা কথোক্চগে ইপুন্সি।

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্ব

পীবীয়ু ইমা মালেম, লৈমা
থৌনা লৌশিং পাঙ্গল।
মীওইবা সমাজদা
শেংন-ফি ; চান-চরা, লৈন-য়ুম,
মীপুম থুদীং ফংদ্রিফাও
শুহং-লমচং মাঙদ্রিফাও
মালেমদা অঙ্গংবা অতপ্পা শান্তি বিশ্ব-শান্তি ফংদ্রিফাও
হিংজুনা লৈজগে নঙগীদমক,
লাওজখিগে খোঞ্জেল, খোক্লী মখৈ—
পীবীয়ু ইমা মালেম, লৈমা
নথান্নুংদা পোক্‌চবা নতম্বাক্তা চাওজবা
নঙ্‌গীদমক হিংজবা।

নবেম্বর ১৯৮৮ ইং

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

(৬)

ভোৎ অমত্তনি

মখোয় অহু মীহাৎপনি
বিশ্বাস ঘাটক্‌নি
চোপ্‌ চোপ্‌ হেক্তা য়ান্‌বনি ;
মখোয়্‌গী খুত্তা
মী কয়া
খুঙ্গং কয়া
দেশ কয়া
তুম্না হেক্তা শিবনি
লেঙঙম্‌ শাঙম্‌দা তপ্না তপ্না
মপুন্সি লোম্বনি ।
অহুবু মপাম্বোংদা
মখোয়গী শক্তম্‌
দাকু নত্তে হুরানবা নত্তে,
হায়নৈ ধর্ম্ম চেন্‌বনি
মিনুংশি খঙ্‌বনি
লৈবাক্কী
মীওইবা সমাজগী

ঙাইজম্নি নঙবু নীংতম্বা

লৈরিবনি য়াইফ থৌরাংগী ;
মখোয়্না লাওরি
লৈবাক্কী সেবা
সেবাগীদময়ক ঐ
চোংথোক্চরি
লেপ্চরি
কখোক্চরি
খ্বাইগী ফনবা
য়াইফনবা
হোংনজরি ঐ
ঐ অমা লৈজরি ।
লাউরি—
ধুন্ বাজাইরি
মীপুম্ খুদীং থাজহল্লি ।
অমরোমদদি—
খুদাপ্, খুদাপ্, পায়শিল্লক্লি
তপ্না তপ্না খজিক্ খজিক্ লেঙহন্দনা
নঙগী ঐগী পুক্নী
মেংশিল্লক্ই খজিক্ খজিক্ ;—
মিত্রংনি মিত্রং
নঙ্ ঐ হরাওরি, নোক্লি
খুবাক খুরি ।
নঙ ঐ লেঙ্বদি ঙম্শিল্লক্রে ।
নোংমা নোংমা কংশিল্লক্রে
শিরগনি কংলগনি নোংমদি ।

ঙাইজরজি নঙবু নীংতম্বা

অমুম্না হাৎলিবনি মখোয়্না
নখোই ঐখোই পুম্বা।
অদুবু নঙ্ ঐ হরাওরি নোক্রি
খুবাক্ খুরি।
চাক্লী চাক্লী পুক্লী পুক্লী
মখোয়্গী খুত্তা
পায়্শিল্লি লাক্শিল্লি
অমুকস্মু কোম্গোম্ থাদোক্ই
থাদোক্ থাজিন্
পায়্থোক্ পায়্শিন্
মখোয়গী খুত্তা মখোয়গী খুত্তা।
নঙ্ ঐ হরাওরি নোক্রি
খুবাক্ খুরি।
ঙসি জান্নুয়ারী ২৬ নি
পাইরে মচু অহুম্নগী ফিরান্
য়ুম্থোং খুদিং থোঙ্গাল্ খুদিং
মখোয়্গী য়ুমদম্মু পাইরি
চাওনা পাক্লা মরাং কায়্না।
হরাওরে নখোয় ঐখোয়্
ইনীং তম্লে মীথা পোল্লে
নঙ্, ঐ মখোয়্,
চপ্ মান্নরে থেম্নদ্রে
অমনা অমদগী হেন্দরে।
নঙ্ ঐ হরাওরি নোক্লি

শাইজরী নওবু শীংজম্বা

খুবাক্ খুরি।
অহুবু নঙ্ ঐগী চফুদি
মিরাং কারি
হৌজিক্কী হোরেন্গী হয়েংগী
ঋরি লৈরি
কৈস্নু লৈতে;
মখোয়্গীদি
ৱাত্তে, পৈরি মথন্ মথেন্
নঙ্গী ঐগী পুক্নী মেৎলগা খোম্থিবা
লৈরি কোক্ফাই কা-খৈ
মখোয়্গী কৈয়দা লন্গেদা।
পায়্রুবা তাই মখোঙ্,
ফংননবা চেঙ্ খুয়া অমা,
কংলবা খুংসিনা
শূরুবা তাই
থুগাইরুবা তাই নুং
নোইরুবা তাই মখোঙ্
ফংননবা চেঙ্ খুয়া অমা।
অহুবু নঙ্, ঐ নোক্নী হন্নাওরি
খুবাক্ খুরি
ঐখোয়্ নীংতম্লে
মান্নবা সমাজ শেম্লে
নঙ্স্নু ঐস্নু মখোয়্স্নু
মান্নরে খেৎনদ্রে
অমত্তনি ভোং অমত্তনি।

ডিসেম্বর ১৯৮৮

(৭)

চাক্লীবা

চাক্লীবনি ঐ চাক্লীবনি
নিবনা ঐগী ইথৌনি
নিবদা ফংবনা থরাইনি
ঐনা নিরি
নঙ্না পীরি
পীবনা নঙ্গী থৌরাংনি
নিবনা ঐগী থৌঔংনি
নিবদা ফংবনা থরাইনি
ঐনা নিরি নঙ্না পীরি
নিত্রবস্ত পীরি—
ঐগী থরাই
ঐগী হক্চাং
ঐগী রাখল
ঐনা নিরি, নঙ্না পীরি
নিত্রবস্ত পীরি
হিংবগী মুঙাইবা
মুঙাইনা হিংনবা
রাংপা লৈত পীরি

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

ঐনা লৌরি, লৌনিংবতা লৌরি ।
চাক্লীবনি ঐ চাক্লীবনি
নিবনা ঐগী ইথৌনি
নিবদা ফংবনা থরাইনি
ঐনা নিরি
নঙ্না পীরি
নিত্রবস্থ পীরি
রাংপা লৈতনা পীরি
ঐনা লৌরি, লৌনিংবতা লৌরি ।
পীরিমখৈ পেন্দে
লৌরিমখৈ ওক্কে
পেন্‌বা কৌবা লৈতে ।
নুঙাইনা হিংবা ঙমদে
ঐনা নিরি নঙ্না পীরি
নিরি অমৈই মথংদা অমা
পীরি নঙ্স্থ খাক্‌পা লৈত পীরি
লৌরি ঐস্থ অমৈ মথংদা অমা
ওক্‌পা কৌবা লৈতে
পেন্‌বা কৌবা নাইদে
পেন্দে থরাইতনা
পেন্দে হক্‌চাংতনা
পেন্দে রাথল্তনা
পামজি মচুদৈ হেন্‌বা
নিরি সিদৈইস্থ হেন্‌বা

আইজরি নঙবু নিংতম্বা

নিন্নি অন্থু ফাওবা
উঙমদবা খঙ্ঙমদবা ফংঙমদবা
খঙ্ই রাংপদি লৈতে নঙ্গী
পীগদ্রা ছুস্থ ঐঙোন্দা
নিবনা ঐগী ইথোনি
নিবদা ফংবনা থন্নাইনি
চান্নীবনি ঐ চক্লীবনি।

মার্চ ১৯৯০ ইং

ডাইজয়ী নঙবু মীংজম্বা

(৮)

দাকুনি ঐহাক, হেরাচন্দ্র

দাকুনি ঐহাক্ হেরাচন্দ্র
ইথৌনি লুট তৌবনা
ইশিঙ্গাংনি মী হাংপনা
ইরমচৎনি য়ুম্ মৈথাবা

ইয়ুম্নি জঙ্গল্ দা চীংলক্তা
মীনা পাক্ য়ৌঙম্দ লম্দা
চিঙ্গাকুনি অফং অফংবা
ইথৌরাংনি মুল্লগা চাবা ।

দাকুনি ঐহাক্ হেরাচন্দ্র
লুচিংবনি দাকুশিংগী
ঐগী য়াথং অমদা
খুঙ্গং তুম্না খাঙ্বনি ।

য়েংউ অসে আদা লৈরে
মীতোপ, খর থুংলরে
শেম্লি মখোয়্ লমদন্‌ফম্,
শারি মীরান্ য়ারেক্ফম্

য়েক্ অরা-মীতোপ্ মীয়াম্-নি'
য়ুমদাংবনা কৈনাবা
মপু নত্তনা মপু শা—
মাঙ্হল্লি নয়ল্পুম্বা

থম্না চাগুম্ 'খোম্বীনা
মিকুপ মুংদা
চাখোকখিনি নখোই জঙ্গল্
মুংখিনি নাপী-শাংবী

খোপ্চিন্খিনি নয়ুম্ ইংখোল্
মুঙ্খিনি নরৈবাক্
লেঞ্জনি নয়ুম্মক্তা
মীনাই ওইনা মীয়ানগী ।

লৈহন্কদে লম্দনহল্লোই ।
য়ারেক্হল্লোই য়ুমথুংহল্লোই
পলহন্ফরোই মিকুপ্' মকাও
তাহন্ফরোই মমিফাও

লাও চঙশিল্লু মাঙদা
অথৌ-লিচা হেম্না-শা।
তাম্বোক্সি মীয়ান্
মাঙ্হন্সি মীতোপ্

ডাইজরি নঙবু নীংতম্বা

পাইশিল্লকৃলি কুরাক্কুম,
চোংশিল্লক্লি কৌজেংগুম,
হেঞ্জিল্লকৃলি নোংমা নোংমা
চেনশিল্লকৃলি লেপ্পা লৈতা

থল্লে লৈরক্ কোন্শাং
পাৎ ভঙ্গল্ চীংদোন্,
তুমিৎ য়ুরান্ মীতোপ্,
চিৎন-চায়ন ঙম্দ্রে মীয়ান্

লৈবা তারিবরা নঙ্ ঐ
মী-নায়, ওইনা নয়ুম্মক্তা
শেংপা চাবা নীংবা থুংদা
পুক্রী পায়ন চদৎননা ?

দাকুনি ঐ হেরাচন্দ্র
হিকথরে পাম্বোম্ ঐগী
লোইনাইদ্রবা মীরান্-তান,
কোক্শৌবী রাবন্ মীতোপ্ ।

থাঙ্গী ময়া কম্লে
হিকৃথরে পাম্বোম :—
অত্তবু তাও অথৌলিচা-হেপ্পাশা
য়েক্ক মায়রোং য়াবদা

ভাইজরি নঙবু নীংতম্বা

चेनफदे मीःहन्नफदे
लाओ चङ्‌शिल्लु माङ्‌दा
ताम्होक्‌खिसि निंथि लान्ना
येक्रु-अरा मीरान् मीतोप्‌'

"ताबीयु अथोबा ।
पुयागी रा लैबनि
मीपाइबीमु मुःनाःबीमु
तोःङै मरीन् फाओबा कान्,

मैत्रबाक् मयाय फाओनचः
नोःपोक् थाङ हाःबा कान्,
चःखिगनि मीतोप् मीरान्
मफि खुदाः याम्ना याम्ना

खुदाः पिफम् तैन-तैना
हन्ना हन्ना येः, कप्न-कप्ना
थादोक्लम्नि मैत्रबाक् ।
पोइरैसिदा लैररोइ
मीतोप् मीरान् उररोइ ।

शोय्‌फद' पुया रा
थाजबीयु अथोबा
मीपाइबीमु मुःनाःबीमु
पोइरै असि ऐखोइगीनि"

ङाइजरि नङबु नीःतम्बा

"অদু নত্তে পুয়াগী রা
তাও হে অথৌ-লিচাহৈপ্পা-শা—
খুদাং পিকম, তৈনা তৈনা
হন্ন-হন্না য়েং কপ্প কপ্পা

চৎখিগনি মাঙ্খিগনি
তোংজৈ মরিন্ ফাওবা কান,
নোংপোক থোঙ হাংবা কান,
মৈতৈতগী ওইজবা

চীংলেন্না লময়োৌবী
মেঙন শুন্দাং জগোই খুৎথেক্
থাম্মোই তনিক্ মরাংগৌ
পুন্নীংহুর মোইবুং খোঞ্জেল্'

থম্মোয়, নীরু খোয়্থুম্নবা
পুংখোল্ অদু মেন্গী পুংলোল্,
রাখল্ পুন্নীং পুন্শিন্ কিশিন্
থরাই হকচাং-রাখল, পুলহন,

চীংলেম্ন কর্তাল চোলোম্
তুমগ্র' পাঙ্গল্ থৌনা য়াকাইহন্
হকচাং তুজুং তনিক্ শৈহেক
অসিতনি চৎখিদোরা।

থুদিং পীক্‌ম্ তৈন-তৈনা
হন্না য়েং কপ্পা কপ্পা
ত্তোংজৈ মরীন্ ফাওবকান্
নোংপোক্ থোঙ্ হাংবকান্

মীতোপ্ মীরান্ থন্‌বকান্
পুক্নী লান্ থেংনবকান্
চংখিগনি মাঙখিগনি
মৈতৈতগী ওইজবা—

মীনুংশি খঙ্‌বা
চাও-থকুউ-তারাম্ তৈবা
ভক্তি রস নোল্লুক্ রাখল্
হায়ন্‌বা রা ঙাক্লবা

অচৌ পীশক্ থক্‌সি খাশি
অহল্-লমন্ মশক্ খঙ্‌বা
অরিববু—নুংশিবা
হন্নাইরব্রা থৌনা পাজল্

চংখিগদবা অসিত্তনি
অসিনি পুয়াগী রা —
ত্তোংজৈ মরীন্ কাওবা কান্
নোংপোক্ থোঙ্ হাংবা কান্

ডাইজপি মতম্ মীংখব

মায়কৈ অনি মক্তগী
চেনশিল্লকনি পাইশিল্লকনি
হেন্না হেন্না থিংঙমদনা
কোজেং হারো মীতোপ্ মীরান্

ওইররোই মনিপুর মালেম্ স্বর্গ
ওইখ্রনি পোইরৈ লমদম্ মখোয়গী
তুন্নি উ-রা উনা শীংনা
তুন্নি লৈঙোই লৈতুম্ সুংতুম্ ।

হিকৃথখিনি পাম্বোম্
হেরাচন্দ্র কয়া
লোইনাইদ্রবা মীরান্‌লক্তা ।।
নোংপোক থোঙ হাংবাকান্ ।
ভোংজৈ মরীন্ ফাওবকান্ ।

দাকুনি ঐ হেরাচন্দ্র
ঐনি থৌনা পাঙ্গল্
অজো চৌংগী নমলোন্দৈ
মাঙ্খ্র মিংচৎ হঞ্জিন্‌বা

শেম্‌গৎপা পৃথিবী স্বর্গ
পোইরৈ মৈতৈ লেবাক্তা
রাশক্রী ঐখোয়গী
তাম্বোক্তুনা য়েরু-পূম্বা—

তাম্বোকথি অহুঙৈ
অরা কয়া
তাবভদা ইমিং ঐগী
দাকু নিংথৌ —

কিবনা নিকৃখি
মখোয় পূম্বা
চেন্খি শম্জি খাইনা
ভাকখি মিকুপ্তা —

য়েক্লবৈই থুত্তগী কন্খি ইরৈবাক
শিম্নরম্ন ' নীংতম্ লৈবাক্
মথুত্তা লৈবাক্ মপু
লৈইতাখি - দাকু নিংথৌ—

লোইশিন্খি চহি তরেৎ থুম্তাকপা
শেম্গৎখি লৈবাক্ অমুক হন্না
পাইখি ফিরান্ য়াংনা
নীংতম্ মুংশিৎলক্তা ।

জুন ১৯৯০ ইং

(৯)

মালেম ঐগী পৃথিবী

ঐহাক্ লৈবাক্ মচানি
ইম্ফাল্ সহর মচানি
মণিপুরদা লৈবনি
ভারত বাসিনি
পৃথিবিদা লৈবা মীওইবনি
জগত্তা লৈবা জিবনি
অহিংবা জিব
কোয়্চং চংলিবা
লেঙ্ঙম্দবা নত্তে অশিবা
নত্তে রাখল্ খনবা ঙম্দবা ।
ঐনা খল্লি
রাখল্না পুরি —
থাপ্লবা মালঙ্দা
পৃথিবীগী রাংমদা ।
মালঙ্গী জগংত্তা লৈবি
মশীং থীঙমদ্রবা মালেম্
চংলু চংলু লম্দা
লৈরু লৈরু ফম্দা
ওইরি ঐ লম্দম্শিংডুগ মচা
লৈবাক্ মচানিনে ঐ
লম্দম্ শিংডুগী

ডাইজরী নঙবু নীংতম্বা

জগতশিংতুগী --
মীগী লৈবাক পৃথিগী
শাগী লৈবাক্ শা'রবাক্কী
লাইগী লৈবাক্ লাঙরেবাক্কী ।
ঐগী মংলঙ খোঙচৎ
নোংখোঙ কোয়্‌ৎভদা
থেংনকুই নোংখোঙ লম্‌দন্ কয়াদা
থুংলাম্ অতু
খোঙ্গুল্ অতু
লাইনিংথৌগী
কোয়খিবা নোংখোঙ
শিদবা য়াথং ইন্দুনা--

নোংখোঙ কোয়্‌বা লোইরবা
লাইনিংথৌ অশিবা
হন্‌খি মালেম্‌দা
য়ৌরক্‌খি ফান্‌খোঙ মক্তা
আতয়া গুরু শিদবগী ;
তাল্লুই দাবি মালেম্ ফম্বাল্
রাশক্‌খিবা শিদবনা ।

হাঙলম্‌দ্রে ফম্বাল্‌দি---
লাইনিংথৌ নোংখোঙ কোইখিদৈ
পীথোক্লম্‌লে, মালেম্ ফম্বাল
পাখঙবদা চৈনরেল চা— ।

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

কোয়থি ফান্‌খোঙ্‌ নোংখোঙ্‌ ওই
লৈমরেল্‌ য়াথং লৌশিং ওই
মপা থড়্‌বা মহাক্না
শিদব ...না য়াবিথি

লাইস্ন চিরোন্‌ চৎপরা
লৈমরেল্‌স্ন অপোক্‌ পোক্ত-খায়্‌বরা
মমা ওইবী থুদীংমক্তা
অপোক্‌পা মচাতনা হেন্‌বরা ?

শিদবৈগী থৌশিল্‌দা পেন্দ্রবা
মীচং মীখায়্‌ নাই থম্লবা
মগোয়্‌ শাক্ল' অশিবনা
মালেমগী থম্নরোইগন্‌
খা-ব্রাং লেপ্নুনা হাইরক্‌পা
মাঙ্‌বা তারে থন্দুনা
থুপ্নুনা লৈবা শিদবা
থম্মোই নীংঙম্‌ মক্ত্রবা

মমা ঙ্‌মক্তা চোংহোক্‌লে
পুকথেম্‌—নাওথেম্নররে —
তাইবং য়ুম্‌ পুম্নগী
মীওইবা হায়্‌বা কাঙ্‌বুগী
থম্মোই ফম্বাল্‌ পিন্দোক্‌লে ।

ওাইজরী নওবু নীংতম্ব

মপোক, কয়া কোয়্তুনস্ন
লোইররোইদবা মাপ্নগ লমদম্
ফজবা কয়া তিন্দুনস্ন
শিদবা লক্তা লৈতুনস্ন
কাওবা ওম্লে মালেম্ ঐগী
পোকফম, লমদম, পৃথিবী।

মালঙ্ নোংখাঙ্ কোয়্রিৈঙ
ওইজরগে চোংনরুই
লমদম্শিংতুগী লৈবাক্ মচা
জগতশিংতুদা লৈরবা মী —
মতুইদক্ থরাই ফাও থাবা—
অতুবু
লুনা থোকই তিল্লবা
লায়্না খন্দে মখোয়্না
চিংনবনা মাঙ্ওইনা
থাপতোক্না লৈখি অয়াম্বা
তিলহন্নিংদে মখোই লক্তা।

মিকুপ্ খুদীং
পুংজা খুদীং
নীংশিংদনবা লৈরবী
মালেম্ ঐগী পৃথিবী
পোকফম্ লমদম, হুংশিবী —
হনবা ভাই।

ভাইজরী কংব্রু নীংতম্বা

লৈরুবা তাই
পুন্সি চম্পা
মপোক পুম্বা
অম্বা মুঙাই মরক্তা
মালেম, মানা শিবীবা—
থাঙ্লুবা তাই
অম্বা অনা কয়া
য়েংলুবা তাই
লৈত-লাইর কয়া
মসিনি ঐগী পুন্সি
মসিনি ঐগী ইশন্ —
মসিনা ওইবা তাই
লাইনিংথৌ অশিবা
মালেমদা অমুক্ হন্ খিবা
দাবী তৌরুবা মালেম্গী ফম্বাল্

ঐগী মালঙ্, খোঙ্চত্তা
নোংখোঙ্ কোয়াইদা
চৎলু য়েংলু খুদিংদা
লৈরম্দরে অমত্তা
পোক্লফম্ লমদম্দৈ হেনবা
ইমা মালেম্ পোক্লফম্, লম্দম্
কন্দবা য়াদে ঐগী মালেম
পোক্লফম লম্দম্ পৃথিবী

ডাইজরী নওবু নীংতম্বা

ঐখোয় পুম্ব লেৎহুনা
মীওইবা জাতি অপুনবা —
পুম্ম মায়রাং লৈবসি—
অপেনবা লৈনবা শাওগনবা
মশাগীতা খনবা জোনম্বা
শুম্ফং-শক্তম ওইরিবা
স্নুংগী পানগী য়েক্লবা
মালঙ্ জগতকী য়েক্লবা।

মে ১৯৯১

নীংতম্বা

নীংতম্বা। নীংতম্বা ঐগী পুন্সি ৱাশক্পী
মীথাপোম্মা চহি চাম। হিংদো শরুক্
শিখিবনা ফে, নোংমত্তং নীংতম্ন লৈরম্লগা।
মরৈবাক্ মজাতিগী নীংতম্নবা
লৈক্ষবা খিবিক্ কথোক্পা ওম্নবা
মাগুম্না লাক্নবক্ ফবা লৈরম্গনি কৈদা।
হলদীঘাট থারমোপাইলি, পলাসি, খোংজোম্,
ইতিহাসকী লামাই থল্লি তোঞ্জিক্ ফাওবা
নীংতম্বগীদমক্ মথ্বাই কথোক্খ্রবশিংনা।
মালেমদা লৈরিবা মরীল্ লৈরবা
মনীংতম্বা জাতি কয়াগী ইতিহাসতা
ৱাংপা লৈরোই নীংতম্বৈদমক কথোক্পা কয়া।
নীংতম্বা! নীংতম্বা ঐগী পন্সি ৱাশক্পী
চহি চামা হিংদো শরুক মীথা পোম্মা
শিখিবনা ফে লৈরম্লগা নোংমত্তং নীংতম্না।

ডাইজমরজি নওবু নীংতম্বা

মীগী পোন্‌বৈ অরাবা কনানা শীংথা ওম্‌গনি —
মীখা পোন্‌ব লৈয়াক্তা নয়ুম্‌ ইংখোল্‌ নরল্‌-নয়ুম
থরাই-হকচাং-রাথল্‌ নঙ্‌গী নত্তে নঙ্‌গী নত্তে :
পুম্নমক্‌ মাগীনি, মখোয়গীনি নঙ্‌বু লোই চল্লিবা।
নশাগী শক্লম্‌ মাঙ্‌লবা নরোল নরি ফাইরবা
নশাগী রাখল্‌ ফরুবা মচম্‌ শান্দ' লৈরবা
পাঙ্গল্‌ থৌনা যাওদ্রবা হিংনা হিংনা শিরবা
মখোঙ্‌ হাম্না লেল্লীবা তোল্ল' তার' পুন্সিদা।
চহী চাম হিংদৌ শরুক্‌ পুক্কা মীনাই ওইদুনা
শিখিবনা কৈ লৈরম্লগা নোংমতং নীংতম্না -
নীংতম্বা নীংতম্বা ঐগী পুন্সি রাশক্কী
নীংতম্বা ! নীংতম্বা ঐগী পুন্সি রাশক্কী।
অদুবু, হায়্যু ঙে ঙুপ নীংতম্ব পাম্লিবা।
কারবুনো কদাইনো নঙ্‌না নীংতম্বা কৌরিবা
নঙ্‌গী রাশক্কী নীংতম্ব ফংখ্রবরা কনাগুম্বা ?
চুমহ নঙ্‌সু ঐস্ত মেম্বরনি ইউনাইটেড্‌ নেসন্সকী
নীংতম্বা লৈবাক্‌শিংগী অপুনব সভাগী মেম্বরনি
অচৌবা-অপীকপা, ইনাক্‌ খুনবা-লায়রবা লৈবাক্‌
অকনবা-অশোনবা মীয়াম্ব নাইদবা, লৈবাক্‌
চপ্‌ মান্নে অনগা অমগা ভোং অমত্তনি খুদীংমক্‌,
অদুদি করিগী ভেটো, সেক্যুরিটি কাওন্সিল্‌
করিগী পার্মানেন্ট ওইবা ওইদবা মেম্বর ?
শোয়দনমক্‌ মান্নরবরা ঐখোয় পুম্বা অমগা অমগা
নঙ্‌গী রাশক্কী নীংতম্বা ফংখ্রবরা কনাগুম্বা ?

ভাইজরি নঙ্কবু নীংতম্বা

নীংতম্বা-নীংতম্বা ঐগী পুন্সি রাশক্কী
মীখা পোম্না চহি চাম্না হিংদৌ শরুক্
শিখিবনা ফৈ, নোংমতং লৈরম্লগা নীংতম্না ।
মান্নদবতনা থল্লবা মালেম্ তাইবংপান্দা
থেম্নবা ভাক্তনি—মী শাউচেক্ লীন্ উ ন্না নাপী—
মান্নদে থেম্নে, মীওইবা ফাওদনা অমগা অমগা
অহুবু হিংলি তাইবং অমং অমৈ মতেং লৌহুনা
হিংবা ওমদে ইথনতা নীংতম্ন মখোয়, মতেং য়াওদনা
রাষ্ট্র সংঘগী মেম্বর ওইরে ভোং অমম্ মান্নরে
হায়বীরগা মান্নরে হায়না কনগা অনগা
পুক্কী পৃক্কী পায়্শিন্দুনা থক্লা থরনা হৌজিক্ ফাওবা
মখোয়্গা মান্নবরনে নঙ্গা নীংতম্লবরা শোয়দনা
পঙ্হায় হায়বা নত্তবরনে নীংতম্বা নীংতম্বা
নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ফংলবরা কনাগুম্বা ?
হায়নীংবা রা হায়্দুম্বা তৌনাংবা থবক্ তৌভম্বা
সিবু নীংতম্ কৌরবা কনাদি ওমখ্রে তাইবঙদা ?
অকনবনা অশোন্‌ববু শুহৎপা
ইনাক্‌খুন্‌বনা লায়রববু পায়্শিনবা
ক্রম্ কান্দা তোক্‌খ্রবগে তাইবংপান্দা ?

মান্নদবতনা থল্লবা তাইবঙ্সিদা
অকন্ অশোন্ লৈতবা লায়র-ইনাক্‌খুন্‌বা থান্নদবা
লৈথ্রবগে কদাইদা করম্বা মফমদা
নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ফংলবরা কনাগুম্বা ?

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

অচুবু [illegible] নাংতম্বা [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] ওইক্কনি [illegible]

[illegible] নিয়ম,

[illegible] নিয়ম্

[illegible] নিয়ম,

[illegible]

[illegible] যানরবা

[illegible] লৌংনা

[illegible]

[illegible] মায়ৎ লবা

[illegible]

[illegible]

[illegible] মাউৎ লবা

[illegible]

[illegible] নীংতম্বা ?

[illegible] সেপ্পবগে

[illegible]

লায়রববু [illegible]

[illegible]

[illegible]

ডাইজ্জার নওবু নীংতম্বা

মঙ্দা রাখল্গী নীংতম্বা লৈবা য়াই-তাইবঙদদি কদাই
খেন্নবনা চংনবী ওইবা মালেম্সিদা
ঈশ্বরনা শুকশেম্ শেম্লমদবা চপ্ মান্নবা কদাইদা লৈবগে ?
মান্নদবশক্তা নীংতম্বা করি লমদা লৈবগে ?
অমনা অমে খুজিঙ্ নত্তন হিংজমদবা তাইবঙ্দা
মপান্তুগী নীংতম্বা ওইথাক্লরোই মঙ্দা ফাওবা
নঙ্গী রাশক্তা নীংতম্বা ফংখ্রবরা কনাগুম্বা ?

নীংতম্বা ! নীংতম্বা ঐগী পুন্সি রাশক্তী
মাখা পোন্না থিংদো শরুক্ চাও চাম্না
শিখিবনা লৈ লোমনতা লেপ্লগা নীংতম্না
অদুবু নঙ্গী রাশক্তা নীংতম্বা কথ্রবরা করিগুম্বনা ?
খোঙাংবতা তোদনা লম্ব লোনাপীংবতা হাংওম্বা
অপান্বদা পাঙ্ংম্বা কনা লো তাইবঙ্দা ?
হৈবিবম্মা মরেমনা নিবরু মপোকওম্বা
নীংবতেদা অহ , ওইরকপবু মিবা ওম্বা
কথম্বা মতমদা কদাইদা লৈথবগে মালেম্দা
লৈবদা হাতহাসিত পুরাম পুমদা ?

সমাজদি লৈবা লেন ফাং ওঙ্ নীংতম্বা
লৈবদা সমাজদা ইকুচাংগী রাখল্গী—
অচিংবা লৈবা অনীংবদা, অদুগুম্বা নীংতম্বা
অথিংবা লৈতনা অথাম্বা য়াওদবা
নঙ্গী রাশক্তা নীংতম্বা ফংবা য়াওখ্রবরা কনাগুম্বা ?

ডাইজরী নঙবু নীংতম্বা

মীথা পোনবৈ অৱাবা কনানা শীংথা ভমগনি ?
মীথাপোন্বা লৈবাক্তা নয়ুম্ নকৈ নরক্ থুম্
থৱাই হুক্চা৹ ৱাথল্ নঙ্গী নত্তে নঙগী নত্তে
নশাগী শক্তম্ মাঙ্লবা নংবাল্ [illegible] [illegible]
নশাগী ৱাথল্ ফজবা মঙম্শাঙ্ক লৈরে
পাঙ্গল্ থৌনা য়াওজেনা [illegible] [illegible] শিববা
হদাইদা লৈবগে নঙ্গী ৱাশক্কী নীংতম্বা ?
কদাইনো নীংতম্বা [illegible] নীংতম ?
সমাজদা লৈরে ফংবা [illegible] নীংতম
সমাজগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নীংতম্বা
নিয়ম্গী মথাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নীংতম্বা ?
নিয়ম্ য়াওদবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

জাতিয়াদা কোয়্চং চত্তুনা লৈরিবা
নুমিৎ থা-থৱানমিচাক থমক্তু কয়া
পূম্নমক্কী লৈফম [illegible] [illegible] জাংকাম
তাইবংদা লোৱন ভিন্ন পূম্বা
মথোয়না শিল্লবিবা পোৎসম্ পূম্বা
মৈ ঈশিং তুংশিং [illegible] য়া [illegible] পূম্বা
লৈরি ওমমক্ নিয়ম্ [illegible] মথাক
থিংনি নিয়ম্সিনা মখোয়্গী [illegible] কয়া
কনাসু ভমদে নিয়মসিগী ৱাংমদা চংপা
হায়জবা লাওজনা ফাওবা [illegible] [illegible]
নঙ্দি পীক্খ্রবা অমানি সয়ামসিগী মাক্তা
করম্না ফংগনি নঙ্গী ৱাশক্কী নীংতম্বা ?

জাইজরি নঙবু নীংতম্বা

লৈনা লৈনা মায়াম্ সিগী লক্তো চৎথোক্ফম্ লৈতনা
লৈনা লৈনা মথল্ কয়াগী নিয়ম্না পুন্দুনা
করম্না ফংগনি নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?

মীনা শেম্বা নিয়ম্ কয়া লাইনা শেম্বা নিয়ম্ কয়া
মাঙ্হোক্পা যাদ্রবা নিয়ম্ কয়ানা পুল্লবা নঙ্না
কদাইদগী কমান্দোনা করম্বা'ক্তেম্দা ফংগনি নীংতম্বা ?
করি গুম্বা লৈবনফি নথম্বা সমাজগী রাংমদা
মীরক্কী তোং শারক্কী থাপ্পা
উরক্কী জঙ্গল্দগী থাপ্পা অমত্তা কিন্নদনা
মতমচুদা চুম্লবা নঙ্দি তৌনিংবত্তা কৌরা হায়নীংবতা হায়বা
ফংবা চুম্লবা নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?
অহিংবা তোইনং রাংমদা অশিবৈ সংসারদা চৎলগা
ফংবা ওম্গত্রা শোইদনা নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?
অফা অপুন লৈত্রবা থবাই ওইবা মহাকম্—
লৈবা ওম্বরা মথক্তা নীংতম্ ?

লাম্হোক্তুনা অমম অঙানবী নিয়ম্ পুম্বা
অশিবগী মালঙ্দা ফংলম্বা নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?
তাবিনবা লৈক্তা হায়নীংবা হায়রুবা
থঙ্ই ঐ, অপাম্ব নাত্তে নঙ্গী, অপাম্বা নাত্তে—
সমাজদা লৈরিবৈ অহোঙবগী চোইরোল্
সমাজ রাংমদা মালঙ্দা পঙ্লাও লাওবা
অর্থ লৈত্তে, অর্থ লৈত্তে, অপাম্বা নাত্তে অপাম্বা নত্তে
তাহন্নীংই ইল্হন্নীংই ঐগা রা অহিংবা সমাজদা,

ভাইজরি নঙবু নীংতম্বা

ঐসে লৈবা ওমাদে সমাজ রাংমদা প্রকৃতি রাংমদা ।
পোকপা চাৎবা [illegible] [illegible] রাংম্দা
চৎপা ওম্দবা-লৈবা ওম্দবা নঙ্না
কোয়পাই পাইক্রুরবস্থ অতিয়া থুংনা
অতিয়াগী রাংমদা চৎপা ওমদবা নঙনা
অ[illegible]ংব'লক্তা [illegible] [illegible] য়োম্নবা
প্রকৃতিগী মচা প্রকৃতিগী [illegible] লম্দম্দবা নঙ্না
করম্না ফংগনি নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?
অদুবু নীংতম্বা ঐগী [illegible] রাশক্কী
মীথা পোন্না [illegible] [illegible] [illegible] শরুক
শিখিবনা কৈ [illegible] [illegible] নীংতম্না ।
অদুবু অফা'অপন [illegible]
লেঙ্বা [illegible] [illegible] [illegible] লাংদা
কদাইদা লৈবাগে নোংমতগী নীংতম্বা ?
সমাজদা লৈবা [illegible] অপাম্বা মিতৌবা লৈতবা
অশাওবা পাঙ্থবা [illegible] লাপন্ তৌদ্রবা
কল্লক্ য়েংথ [illegible] অ[illegible] য়াওদনা পুম্নমকপু মাম্না
য়েংবা ওম্লবা—ফংগদরা নীংতম্বা
ফংগদরা নোংমতং নঙ্গী রাশক্কী নীংতম্বা ?

সেপ্টেম্বর ১৯৯২

ভাইজরী নঙ্বু নীংতম্বা

(১২)

করম্না হায়রিবগে ঐকনি নীংতম্বা

মীওইবা পূম্বনা [illegible] [illegible] মতম পূম্বদা
নীংতম্বা- [illegible] [illegible]গেদ. ।
হায় ন অ[illegible]. [illegible] [illegible]বা নাইদবা
ঐসে খ্বাইদগী অহনবা [illegible] ভায়রবা
মপূং ফারবা লেঙ্দবদু[illegible] [illegible]ত্তনি
হায়নৈ রাখল্গী ভগতভ [illegible]তম্বা ঐতনি ।
অহুবু ঐনা হংলি ঐবু [illegible]রা ?
অফা-অপুন্ ভগতক্কা [illegible] [illegible]রা ?
ক্ষিরোদ সাগর ময়ায়দা অ[illegible] শয্যা মথক্তা
লক্ষ্মীনা সেবা তৌরিবা চেপ্লি যোগ নিদ্রাদা ।
মহাকৃষ্ণ কৈতে লেঙ্দনা ম[illegible]মচুপ্পা লেঙ্দবা
ক্ষিরোদ সাগর ঈথক কা- অনন্ত শয্যা লেঙ্লকপা
কায়রে যোগ নিদ্রা [illegible]কৃপ থোক্লে লেঙ্দবা
নিল্লে লাইয়াম্গী লাইশোন্ ক্ষিরোদ সাগর পাক্লবা

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

লেঙ্‌লক্লে লেঙ্‌দবা মহাক্‌ মিংয়েং শাংখৈনরক্লে
উরি থাপ্পা তাম্না উদবা লৈতবা মহাক্লে।
তারি তশেং তশেংনা তাদবা লৈতবা মানা
মালেম্‌দা লৈবা মাঙইবা পুম্বনা ভক্তনা
অয়ুক্‌ সুংখিদা, সুংদাং সন্ধ্যা অহুম্‌ কায়্‌দনা
তোঙান্‌ তোঙানবা মিংনা মাবু কৌরি হরি হরি
থরাই পান্না জিব খুদিং "হরি" "ভরা" মতম্‌দা
মন্দির মসজিদ বিহার লেপ্‌তাংই গির্জ্জা গুরুদ্বার খুদিংদা
হরি হরি কৌদুনা [illegible] জবা
ভক্তগী খোল্লাও ঈশ্বর [illegible] তাদবা ?
তারক্লে উরক্লে উদ-তা [illegible] তে-নালা
লেংডোক হাংনা য়ারক্লে ভক্ত মথা পোন্‌বনা।
ক্ষীরোদ সাগর [illegible] উম্বনা
লক্ষ্মীগী মবুদো হাংবক্‌ লোমাদ্রে নোক্লা—
"হায়বীয়ু দেব [illegible] তাইবংগী"
তাইবঙ্‌বু শেম্‌জিন [illegible] ব্রহ্মানা।
"তাইবঙ্‌গী অরাবা খোম্‌জিনবা লোংদোন্‌সে নিল্লে
মীরক্তা হিংচায়াইতন্না লেপ্পা লোক্ত' শুংলে নৈরে
থুগাইবা পাম্বা মথোইদা চাংথাংরে থুগাইরে
ভক্তান্‌ মাঙ্‌লবা [illegible] মালেম্‌ লৈমা শাঙ্‌উম্‌দনা তেংথারে
নংগী য়াথংনা ঐনা [illegible] রিতনিটি
লৈশেম্‌ নোংশেম্‌ [illegible] লৈরম্মী
মাঙও মালেম্‌ তাইনবা খম্নুং মালেম্‌ পুম্নবা

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

অরা-ত্তেংথা খেন্সিনা হন্না হন্না য়ৈরকপা
মচেৎ মচেৎ তারক্লী লীপুন্ অসি কোম্লক্লী
থোরী কোঙ্গোই হন্দোক্লে' নোংকুথ্রম্বা চিংনরী
যুগ কয়া কল্প কয়া চেংশা শাক্রক্লবা
মতু কন্নবা মাংলম্দা কক্না কয়ারক্ খোঙ্দাথ্রবা
মুমিৎ থা থরান্নিচক্ গ্রহ উপগ্রহ পূম্বা
মৈ ঈশিং নুংশিৎ লৈবাক শ ওয়া লোৎখোৎপা
মীরৈবাক্ শালৈবাক্ মা লেংবা, মুৎপা তারে ওম্না
রিক্তি লিটি মুৎথ্রবা নঙ্গী য়াথং কন্দোনা ।
হায়বীয়ু সিবু খোক্হাক্লবা নঙ্না শংনুনা
পূম্নমক্ মাংখিনবা মহাপ্রলয়্ খোয়াক্লনা
সৃষ্টি--প্রলয়্-নহাক্কী মাংগুভ লৈরোনি
য়োরক্লবরা মতম্-ঙাইনরিবা মহাপ্রলয়্গী ?
খোঙ্দারবোইদ্রা মাংলেন্দা লম্নবা খগাং অসি
অহৌবা অরোইবা নাইবিদা নহাক্কী থুংশেম, অসি
পূম্নমক্ নহাক্কী অনীবনি নঙ্গী তৌনি নীংতম্বা
অমত্তা ঙায়্বা অহৌবা অলোইবা লৈতবা ”
ঐনা থক্লী ইথন্তা ব্রহ্মাগী এ ভারবদা—
“মালেম্সি লৈত্রবা-নেংদোনগিন্নু মাঙ্খ্রবদা
থম্মুংলৈবাক্ মাঙখ্রবা লাইরেবাক্কী মুংখ্রবা
কনাস্ন য়াওদ, ইথন্তা নীংতম্না লৈরুবা
করি কান্নে মতুনা—মতুবু পাম্নকুনা, খোক্পরা
অতুগুম্বা নীংতম্বা পাম্খিবা কনা য়াওবরা ?

ঙাইজরী নওবু নীংতম্বা

ঐ লৈরি হায়্বা কনাস্নু খঙ্বীবা লৈতনা
ঐগী মরম্দা থন্বীনবা কনাস্নু লৈতনা
অহো অরোই লৈতবা ঐতনি নীংতম্বা হায়না
হায়বীনবা লৈতনা খঙ্বীনবা য়াওদনা
পাম্দে ঐদি পাম্দে ইথন্তা নাইতোম্ লৈরুবা
মতম্ অমদা লৈরুরে অঠুম্বা অমুক্
ফন-রাখি মতম্ লেন্ফম্ খঙ্খিদে-ঐহাক
অতুনা শেম্খি জগৎ-মালঙ্ তাইবং খম্নুঙ্
মতুদা লৈরুই ঐনা অহো-অরোই মরক্তা
মখোই লক্তা লেতনা লৈথোক্পা ঙম্দে ইথন্তা
করম্না ওইনি ঐনা নীংতম্বা তৌঙম্বা।
মালেম্না রারক্লবা নোংদোম্না কায়রক্লবা
খম্নুংনা মুৎলক্লবা লৈঙম্দে ঐ যোগ নিদ্রাদা
করম্না ওইনি ঐনা নীংতম্বা ইথম্নতা ?
মালেম্না লৈরিমথৈ মালঙ্না মুক্তি মথৈ
ঙম্দে ঐনা তৌনিংবতা তৌবা
করম্না হায়রিবনো ঐতনি নীংতম্বা ?
ঐনা হায়খি—তপ্না তপ্না—
"ৱাগম্নু ব্রহ্মা ! ঐ লাকুলে মালেম্দা।"

মার্চ্চ ১৯৯৩ ইং

ডাইজরী নঙবু নীংতম্বা

১২

নীংতম্বা তাইবঙদা লৈনা

অফা অপুন্না থল্লবা তাইবঙ্দা
পোক্পদগী লৈরক্লি ঙসি ফাওবা
লৈখিগনি শিক্রি-ফাওবা নঙ্, ঐ, মা
লৈতে লৈফম্ তাইবঙ্সিদা নত্তনা ।

শিখি—ঐ, নঙ্, মা, কয়া কয়া তইবঙ্দা
অদুবু লৈরি রাত্তনা ঐ, নঙ্, মা,
শিরগা কম্দোবা,—অমম্বা নত্রা ?
লৈরি ভাবনা শাবা রারী কয়া'মা,

অশেংবা খঙ্ঙম্দে, তম্মদে কনা,
হল্লক্নুনা তাইবঙ্দা শিখ্রবা কনা ?
অহৌবা অরোইবা লৈতবা মাস্থ
মথন্তা ঙায়্রবা নীংতম্বহুস্থ

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

ঙম্‌দে তৌনিংবতা তৌবা নীংতম্না
লৈরিমখৈ, মরী তাইবঙ্‌সিগা
অদুবু ঐদি পাম্‌লি তাইবঙ্‌দা লৈনা
অফা—অপুন্না থল্লবা লক্‌সিদা।

ঐতনা হাইনা হুম্না নীংতম্না লৈবা
ঐনা নীংলক্‌পদা অথিংবা লৈতবা
ঐনা পাম্লক্‌পদা হেক্কা ফংবা
ঐগী অনীংবা জগতকী নিয়ম্‌ ওইবা।

মুন্না থল্লু-ফংলবরা নীংতম্বা
অথিংবা লৈত' হাইন—হুন্না পান্‌বা
অফা—অপুন্না থল্লবা লক্‌সিদা
নঙ্‌ ঐ মানা লৈরিবা তাইবঙ্‌সিদা।

ঐদি—কদাইদা লৈ—কদাইদা লৈ—
নঙ্‌ মানা কদোম্‌দনো কদোম্‌দনো?
মী, শা, উচেক, লিন, তৌন, কাঙ, তুমিং-য়ুরান
লেঙ্‌বা ঙম্বা ঙম্‌দবা জিবশিংদা

লৈরি ঐ লেঙ্‌দনা মখোয়্‌ খুদীংমক্কা
নঙ্‌সু মাস্নু য়াওরি ঐ লৈবা খুদীংদা
উদা ৱাদা নাপী শীংবীদা লৈরি ঐ
চীংদা মান্দা ঈশিং স্নুংশিত্তা লৈরি ঐ

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

লৈরি ঐ কংফান্দা মনিল্‌দা আকাশতা
অমম্বদা অঙান্‌বদা অহাঙ্‌বদা
অউবা উদবা ঙিবশিংগী লক্তা
অহিংবা হিংদবা পোৎ পুম্বদা।

ঐনা লৈরি, কোয়্‌রী শান্নরি
ৱারি-মুঙাইরি নোক্লী কপলি
লেঙ্‌দনা লৈত্তুনা মখোই' লক্তা
নঙ্‌মু মাম্মু য়াওরি ঐ লৈবা খুদীংদা।

নীংবা থুংদবা ঐ, নীংবা থুংলবা ঐ
মুংঙাইবা ঐ অৱাবা ঐ অনোকপা ঐ
অকপ্পা ঐ, অফা অপুন্‌ নংলবা ঐ
অথিংবা লৈতনা তৌঙম্বা ঐ

ঐ অমা ঙম্‌দ্রবস্মু ঐ অমদি ঙম্‌লি
ঐ অমা ৱারবস্মু ঐ অমা মুঙাইরি
ঐ অমা নোক্লবস্মু ঐ অমা কপ্‌লি
ঐ অমা ফংদ্রস্মু ঐ অমা অপাম্বা ফংলি

অথিংবা লৈরস্মু ঐবু ঐনা থিংজবনি
খাম্‌জবা লৈরস্মু ঐবু ঐনা খামজবনি।
ওইরবদা ঐখোই পুম্বা ৱাজর্ষি জনক
কৱিগী ওইরোই নীংতম্বা তাইবঙ্‌দা লৈনা।

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

পাম্ল্‌ত্রবা—অপাম্বা ফংদবৈই ল্লাবরোই
নীংলূত্রবা— নীংবা থুংদবৈই মুংনাংলোই ।
শাওরুত্রবা—অশাওবদৈ অকায়্‌বা নংলরোই
ল্লাক্লত্রবা ল্লাবগী মুংনাংবা লৈররোই

মুংঙাইবদা হরাওত্রবা লৈররোই নুংঙাইবৈই নাপন
অল্লানুঙাই খুদীং চপমান্নবা উল্লবা
মহৈ ফংবৈই ল্লাখন্‌ তৌদ' ইথৌ তৌরবা
হিংন—হিংন ফংলোইদ্রা নীংতম্বা

নঙস্ত—মাস্ল য়াওরি ঐ লৈবা খুদীংদা
নংস্ল মাস্ল ফ'লি ঐনা ফংবা খুদীংদা
ওইরবদা ঐ নঙ্‌ মা ল্লাজর্ষি জনক
করিগী ওইরোই নীংতম্বা তাইবঙদা লৈনা

এপ্রিল ১৯৯৩ ইং

তাইজরী নঙবু নীংতম্বা

(৯৩)

কৈদা লৈ নীংতম্বা

শিননবগী পোক্‌পনি
শিননবা হিংবনি
হায়নৈ মখোই খ্বাইনা
উনবী জিব পূম্বনা ।
করিগী হায়নদে –
করিগী পল্লমদে—
পোক্লনবা শিবনি
হিংননবা শিবনি— ।

নাপী-শীংবী মনা মশীংনা শিরি
শা ঙা মীওইবা জিবনা হিংনবা
শা ঙা জিব কয়ানা শিরি
তীল্‌ কাঙ্‌—জিব—কয়া পোক্লবা
শা ঙা মনা মশীং তীল্‌ কাঙ্‌ কয়া শিরি
মীওইবনা হিংনবা ।

ঙাইজরী নওবু নীংতম্বা

হায়বীয়ু মীওইবনা শিরি কনা কনা হিংনবা
তাকৃপীয়ু, মীওইবনা শিরগা কনা কনা পোক্লিবা

খল্লি ঐনা—শোঁওদনা পোকহন্‌গনি।
খল্লি ঐনা—শোয়দনা হিংহন্‌গনি
মনা মশাং নাপী শিংবা তাঁল কাও
শিরগা মীওইবনা।

অশিবা হকচাং পুম্ব লৈবাক্ ওল্লি
লৈবাক্কী চৌগৎলকই মনা মশাং নাপী শিংবী
হুমিংলৌ মঙাল্না পুক্নুং থল্লই
নোংমা চোৎলবা লৈ[illegible] লৈবাক্তা
থরাইচা চঙ্‌খি—চৌমংনকুং মাম্বী কয়া।
মনা মশাং মাম্বী-মখেৎলা যেংকুং
হিংহাল্ল-মীওইবা য়ামনা লেব কয়া
নত্রগে ঐখোয় শিরিবা পোক্লবা
নত্রগে ঐখোয় শিরিবা হিংলবা
পোকই শিনলবা শিরি[illegible]হিংলবা
হিংসি শিনলবা শির পোকলবা।

অসুম্না লৈনা লৈনা ওল্লা ওল্লা হিংলিবা
অসুম্না ওল্লা ওল্লা লৈনা লৈনা শিরিবা
হুরু হুরু লৈরিবা মতমগী চক্র হুংশিদা
অহিংবনা কনানো ? কনানো অশিবনা ?

ভাইজরি নওবু নীংতম্বা

শিরগা নীংতম্বা ফংবরা
হিংলগা নীংতম্বা মাঙ্‌বরা
নীংতম্বনা কনানো
মীখা পোনবনা কনানো ?
মীওইবনা পাম্‌জবা—হকচাংগী নীংতম্বা
থম্মোইগী নীংতম্বা পুক্নীংগী নীংতম্বা
মুংগী নীংতম্বা !
শিরগা ফংবরা
হিংলগা মাঙ্‌বরা ?
শিবা হিংবা খঙ্‌ঙমদ্রবা মতমগী চক্রমুংসেদা
কদাইদা লৈবগে নীংতম্বা
হায়বীয়ু কৃষ্ণ হায়বীয়ু রাম
তাকপীয়ু বুদ্ধ তম্বীয়ু খৃষ্ট
হায়বীয়ু অলা তাকপীয়ু জোরাষ্টর
হায়বীয়ু তাকপীয়ু তম্বীয়ু ব্রহ্মা
কালগী চক্র মুংশিদা
কনানো নীংতম্বা
ঐসু তমজগে—মাগী মতৌ
ফংননবা নোংমত্তং নীংতম্বা ।

জুলাই ১৯৯৩

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

১৪

নীংতম্বা নত্তবরা মায়া মরিচিকা

উনৌ রানৌ থা বসন্ত য়েন্নীংলক্তা
হৈনৌ মপাল্ শারে হৈনোবন্' মদা ।
কোকিলসু হরাওরে খোংগে মখৌ পোঙ্না
হৈনৌ-মপান্ খোবোম্ হন্ নিল্লে পঞ্চম্ শুরনা ।
অশীং-অরাঙ্গ নংলবী হৈনৌবন্
নোংলৈ মুংশিং থাঙ্জারবা হৈনৌবন্
কচ্চথিংপোক্পা কুংগ্রবা হেনৌ কয়া
পেন্বীনবা মুংশিং নিংখৌ নোংলৈ মপু ।
ওলাংথা তাউদন্ অমৃত থকুনা
মপুং ফারে ফজরে হেনৌপুম্বা
মোমোন্ নোক্চে চান্বীরে লক্ষ্মী মানা ।
ওলাং নোংজু লোন্ন-লক্তা হৈমুন্ ফারবা
তাঙ্লৈন ফিজোন্ শেতুনা তাইরি লাঙ্তক্পা
ওরুবা পুরুষোত্তম্ পুরীদগী লেঙ্ঙক্পা ।
মানা পীবিবা মঙোন্দা কচ্চবা
হরাওজে হৈনৌবন্-শোন্নথি মালেম্ থুংনা ।

তাইজরি নত্তবু নীংতম্বা

হৈকোন্সিদা পাইরক্খিবা তেনরা শঙ্গু -
হৈনৌ খৌবুম্ থন্না-চা হরাও মথোই কা
কাণ্ডম্খিদে হৈনৌবন কোয়চুনস্থু মালেম্ থুংনা।
পাঙড্ মথোন্ কারক্পা থৌবু ওইবা
শানৌ নাঞ্জ—লাক্ হৌরখি"ইশানৌ !
চৎলুসি চাক্কারুসি হৈনৌবন্দা
ফাওরবা উশাম্দা তোংচুনা পুন্না
মমুন্ ফার'হৈনৌ খৌবুম্-থন্ন-উম্
নুংশি ঈশৈ শক্মিন্না হেদোই-হেরাও কা
কোয়রুসি, শান্নরুসি, - চাক্কানিন্না,,
তোংমিন্নচুনা উশামত্তুদা পুন্না !
শানৌ'বেম্মঃ নুংশিবী' শাবী য়ারা-তা
মুন্তাই'-আশা' থন্ লাক্মিন্নৈ শঙ্গু-লক্কা।
মশানৌগী' মক্তা খ্বাইদৈ' ফজ' থন্
পাইশিল্লুরে ভাঙ্ন-ফজ' হৈনৌ থক্
য়েংহৌদ্রে উহৌদ্রে হৈনৌ মপুই লাং
লাংদা থুরে মশাবী—খোংলী তে তে
"চেকশিল্ল মথোই, এদ লাংদা থুরে;
পাইখ্রো ইশানৌ থরাই হিংন' পাইখরো।
হৈনৌ মপু লাক্রে, পাইখরো চেন্খ্রো। "
পাইখ্রে চেক্লা লৈহৌরে মশাবীতা
কোয়না কোয়না পাইরি খোংলি তে তে—
"ইশাবী নঙ্বু করম্ লৈহৌগবা
য়েরুবৈ মখুৎচন্ প্রান্থরাই মাঙ,
ননাক্তস্থু লৈওম্দে-পাইথিবস্থু ওম্জদে—

ভাইজরি নঙবু নাংতম্বা

নুং অনিগী লক্তা হা ওইরে ,,
ননাগু করি ওইরসিগে ?"
"ইশানৌও নুংশিবী পাইখ্রো থাপ্না
চেন্খরো-য়াইবী থরাই পুরক্তুনা
খল্লুরম্মু ঐগীদি লাইবক্তা তমখ্রবা
খেৎপা য়ারবোই চংলো চেক্লা নুংশিবী"
লাংদা-থুব-মশাবী ফাগরে—
কোয়রৈ লৈ-কোয়পাই পাই-নক্সিন্সু ঙম্দা
পাইথোক্খিস্ম পাইনীংদা চেক্লা করি
ওইরশিগে—লমনখমস্তু ঙমজদা ।
চেক্লা মাবু পুখ্রে সনা কৈথেন্ তান্না
অঙম্বা ফম্নাইবা লোয়শঙদৈ হল্লক্পা
লিকোল্ পৈশা পীতুনা লৈখ্রে চেক্লা
হাপখ্রে দলাই কাজিন্দা চেকশিন্না
য়ৌখ্রে অঙম্বা মরান্য়াই, শিবিরে
খোঙদা সনাগা ঝিঙ্জুর, থমখরে
তাক্লা পক্তা তোংহন্-তম্বীরী হায়য়ু শোল্লু
"হরিনাম্ বোলনাম্—ভজ-কৃষ্ণ চৈতন্য—"
লুনা তৌবী পিজে হাওর' উহৈ কয়া
অঙম্বা মপাল্না ঙম্জরে শোঙবা
হরি কোলোই নীংথিবা-ভজকৃষ্ণ চৈতন্য—
শুন্না লেনবা পুন্সি লাইবক্তা তমখ্রবা,
অতুব্-নীংশিংদবা ঙম্দে ইশানৌ চেক্লা
ইনীংতম্না পাইমিন্না হাঙল আকাশতা

ডাইজরি নঙবু নীংতম্বা

লোক্কী লাইজ থকৃমিন্না—চাক্কা মিন্নবা—
উমং রামং চৌংদোল্ উতোল্ কয়াদা।
কুম্‌গী মতম্ ওই হৈনৌবন্ তম্লক্‌পা
চেক্লা শঙ্গু খোঙ্গেল্-তা আকাশতা শুন্
চিংন-চিংন যেং পাইনীংবনা খ্রো খ্রো খ্রোং
সানাগী ঝিঙ্গুর দংকে লাক্লা চিংলুই
ঈথৈং তাবা মথেং চক্লুই অক্লা
য়াখোং ঈন থন্দ্রফাও, জম্‌খদোকা
নাম্থোক্‌প — মাইতোম্ পাইবী চেক্লাচা
ইশানৌ কোলোই তাকুবা কল্লকইকো—
চেক্লাশিং লোয়নবা আতয়াদা রাংনা
পাইরুগে থল্লকগি শোন্‌খি চেক্লা—
তকৃসি সোন্‌নীংতম্বা লঙ্‌মুক্ মুতাইবা
করি লমদা লৈরিবা-ফংলেরোঞ্জেনে—?

শঙ্গুদৈই নাম্বাহৌ ইশানৌ চেক্লা
মশাবী মশুমাং লিপং লিপং পাই
তম্লকৃখি মপাও খোংজুনা তে তে—
"ইশাবী নঙ্‌বু তাবরা-থেংনরুই উমংদা
কল্লুনা লৈরম্ শা কয়া, ক য়না
মৈশালাং-মপা, মমা মচা নশু কয়া
ফাহুনা পুথ্রবা জুদা থম্লবা—
থেংনরুই নোংশা কৈ শওম্ কয়া জুদা
উরুই মখোইনা ঈ থোক্‌লৈ চিক্‌হৌবা
শারংগী য়োংচৈ নীংতম্ ফংনবা

তাইজম্মী নঙবু নীংতম্বা

ঙমহৌদে কনাপ, শোল্হৌই পুম্বা
কৈদৌঙৈ ফংনি-নীংতম্মা লৈরুনা ?
থাম্লবা আমেরিকাদা আফ্রিকাদৈ
কাতুনা পুখিবা ড্রেক্ বেলীনা
মঙ্মঙ্হৌই মীনাই লোগ্রোশিংদো
ময়ুম্ লৈবাক আফ্রিকাগী নাংতম্বা পুন্সি—
শোল্লি তত্তুনা কৈদৌঙৈ ফংনি নীংতম্বা—
করি লমদা লৈ নীংতম্ব নঙ্ মুক্ মুঙাইবা
ফংলারাইদ্রো ফংলরোইদ্রোদে হায়ক্ ।
ফংনি শোয়দনা নিংতম্বা নাংমদি
শাইকরি ঐনা মুনিত্তুই দমক্তা
তিম্মজনি নঙ্গা আমত্তা ওইনা মুমিৎতুদা ।
অক্লাদা তোংলিব তেনবা
মখোঙ্দা সনাগী ঝিঞ্জুর থাংজিবা
অক্লা থাদোক্ পাইনিংঙ্লি মপান্দা
নীংতম্মা অহাঙ্বা আকাশতা ।
হকচাং পোলাংমুংদা লৈবা পবাইনা
মম্থরক্লবা হকচাং থাদোক্লুনা
পাইখিবা পাম্মী নীংতম্ম থাম্না ।
অদুবু হকচাং থাদোকখ্রবা থরাই
পাইখি খঙবরা কদাইদা কদোম্দা ।
লেপ্পমক মাবু নীংতম্মবরা ?
অহাঙ্বা আকাশ রাংমদা নীংতম্মা
পাইঙম্মবরা আকাশ সিনা রাংমদা ?
আকাশকী ঙম্থৈদি লৈবরা ?

ঙাইক্সরী নঙবু নীংতম্বা

ঙম্‌খৈ লৈত্রবা আকাশ সিমা রাংমদা
পাইঙম্‌দ্রবা থরাই করম্‌ কৌনি নীংতম্বা ?
থরাইতা নত্তে—থরাইবু যোংনা
তাইবঙ্‌ পূম্বনা ঈরাংনবা
তাইবঙ্‌ জিব য়োক্‌লিবা কোয়োনবা
মালঙ্‌তিয়া চিদাইদৈ সিপা রুন্না কোয়রিবা
মাস্থু ঙম্‌দে চংখিবা মালঙ্‌ সনা লান্দুনা—
চংনীংবনি মাস্থু মালঙ্‌ খান্না লী পম্না—
হোংনখি মতম'মদা লাম্নোংগ মালঙ্‌সম্বা
অদুবু ঙম্‌খিদে সিমা লান।
ঙম্‌খৈ লেত্রবা মালঙ্‌সিদা।
থা-থরান্‌ পূম্বা—নুমিৎ পূম্ব
চংনীংই কোয়্‌নীংই মালঙ্‌গী রাংম্‌দা
মালঙ্‌স্থু চংনীংই মালঙ্‌গী রাংমদা
হোংনখি মতম'মদা লাম্লোক্কে নীংতম্না
অদুবু ঙম্‌খিদে কনা' মত্তা
ঙম্‌খৈ নাইদ্রবা মালঙ্‌ লান্‌বা।
থাজরুই পুক্লিংদা তক্তনা চানবা
তোর্ব্বান্‌ য়াওদ্রবা সংসার সাগর লান্‌বা
ঙম্‌খৈ লৈত্রবা মালঙ্‌ ইপাক্‌ লান্‌বা
কনাস্থু ঙম্‌দে হিহোন্‌বা মা য়াওদনা
হিহোন্‌বা মাতবু তাম্নজবদা
যোগী ঋষি মুনি, ভক্ত বৈষ্ণব কয়া
চানি-থক্কী-কাও কৌজে মাবু হম্না হম্না

চাইজরী নঙবু নীংতম্বা

অমুক্তং তাবিনবা থুম্বীরক্লবা
হায়জহৌগে—লান্‌বিনবা
তোর্ব্বান্ লৈত্রবা সংসার সাগর ।
অদুবু মাস্থ ঙম্থৈ নাইদ্রবা অথিংবা লৈত্রবা
হায়নরিবা মপন্থুনি নীংতম্বা
মাস্থ-পুন্নমক্‌পু শেম্লি য়োক্লী মাঙ্‌হল্লিবা
ঙম্‌দে নাইতোম্ মপন্থা লৈবা নীংতম্না—
অদুদি কদাইদো নীংতম্বা রাংলগী ফুরা নত্তনা
নীংতম্ব নত্তবরা মায়া মরিচিকা ?
অদুবু, পাম্‌লি মীদগী লাক্ফাও
তীন্ কাঙ্‌দগী উ... ...শী শাংবাফাও
মগী মাগী খিভম্‌গী ...লান্
নীংতম্বা অথিংবা লৈতবা –
থল্লী পামলা তান্নবা
ফংনবা নীংতম্বা ফংঙম্‌দ্রবা .
নীংবগী লোচবা নাইদে
খন্‌বগী থম্বা লৈতে
অপাম্বগী ঙম্‌থৈ লৈতে ,
হোংনরি তান্নরি ... ...
খোর হুমলি লৈবা কদাইদা
থাল্লি লোংমদি নীংতম্না
পাইরখিনি মাপাঙ্ লান্না
খিংবিনবা লৈতনা নীংতম্না

আগষ্ট ১৯৯৩

ভাইজরি নওবু নীংতম্বা

১৫

তম্নুনি করি পাও

মঙোন্দগী লাক্পনি
মঙোন্দা অমুক্ হন্গনি
নিনিঙগী লাক্পনি
অমুক্ হন্বা তাবনি ।

হৌরক্ফম্নি মুঙাইবগী
মুঙাইবগী মর্শাক্
অরাবা লৈতে মাগী
মুঙাইবতনা মশরুক্না ।

তম্গদবা পাওনা করি
ফংদ্রে থিক হায়বহৌদি
লৈরমদ্রে লম্দম্ সিদাদ
হংলু হংলু থুদীংদদি

অখঙ-'হৈনা হায়বিরক্ খ
মঙোন্দত্তা লৈবান্
মঙোন্দতগী ফংগনি
কংলোই অতৈ অমদগী ।

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

जाक्‌गीरक्‌इ मथाक्कनि
मुङाइबगी जुंनफम्‌नि
मथाक्कनि लेङ्‌दबदि
मथाक्कनि अरेप्पदि ।

कदाइदा लै मथाक्कि ?
पुन्सि चुप्पा थिजरि ।
थेंन-खुदौं हंजखि—
हायनबशिं अखङ्‌बनि ।

हंलु खुदौं जाक्‌गीरक्‌खि
अहे-अशिं कयादि—
माना माना थाजबदि
खङ्‌बा ङम्‌दे ऐतदि ।

मफम्‌ खुदिं लै मादि
राखल्‌ मुंदा लै मादि
थम्मोइमुंदा लै मादि
उरि तारि पुम्बा मानि

खल्‌लिबम्‌ मथाक्‌नि
खल्‌हन्‌बम्‌ माननि
काओहन्‌बम्‌ मथाक्‌नि
नौंशिंहन्‌बम्‌ माननि

ङाइजरि नङबु नौंथम्बा

মখোইনা হায়বিরক্খি
হংলু হংলু খুদিংদি
হায়নৈ মখোই অহুনি
অখণ্ড্ অহৈ—ভক্তনি ।

মকম্ খুদীং লৈবা মানি
উবা ফংদে ঐতদি
মুংগী মালেম্দা লৈবনি
করম্ উনি মাবুদি

পান্গী মালেম্দা লৈবনি
খণ্ড্দে মুংগী মালেম্ লম্বী
করম্ হায়না চৎকনি
কনানা লম্বী তাক্পীনি ?

মখোয়না হায়বা খুদিং
থিজৈ য়েংজৈ লেপ্না ঐদি
লৈরম্বা থেংনদে কৈদদি
মশক্সু খণ্ড্জদে ঐদি ।

করি কুচুনো মাগী
করি কোবা মমিংদি— ?
মখোইনা হায়খি—অঙৌবনি
অশংবনি—অমুবনি

মমিংস্থ লিশিং লিশিংনি
কৌনিংবতা কৌবনি।
মচু মখল্ পুম্বদি
লৈতে মকম্ অমত্তদদি—

উনবা মচুপুম্বদি
থৌজদে ঐগী মিত্তি
কৌনবা মমিং পুম্বদি
লৈজদে লৈয়েং ঐগী।

কৌরগা করম্বা মিং
তাক্পীয়ু খুম্বীরক্কনি
য়েংলগা করম্ মচুদি
তাক্পীয়ু নঙবু উগনি ?

মাগী নাক্তা য়ৌরবদি
নিজগনি মঙোন্দগী
থিরুবদা ফংদবাদ
মঙোক্তদ লৈবদি।

নীংতম্বা মহাক্তনি
মহু মঙোন্দতা লৈবনি
ঐনা লিরিবস্থ মহুক্তনি
মালেমদা থিবা খঙত্রবনি—

ভাইজয়ী নঙবু নীংতম্বা

নিরুরবা মঙোন্দদি
ফংনিকো শোয়দনদি
পীবরনে নিরি-পুম' দি
নাইদবরা অচান্ মীরায়্দি

মঙোন্তদা লৈবনি
মহাক্না পীদ্রবদি
ফংগনি কদাইদদি
লৈরিবরা ফংদ্রবদি—

মঙোন্তদা লৈবসি
মানা পীবরনে অতৈদদি
শুক্ফং ফংদবা অসি
ফংনি হায়না তাম্নরিসি

নত্তবরা রাখল মঙ্লান্গী ?
মালেম্ থুংনা কোয়রুবনি
লৈত্তবদু থিরুবনি—
মাগী নাক্তা হন্গদবনি

য়োরে হন্নবা মতমদি
হন্বা তারে নাক্তা মাগী—
করি হায়না পাওদম্মুনি—
করি লমদা চৎকনি ।

ভাইজরি নঙবু নীংতম্বা

মালেম্দা উদবা 'পানগী
মুংগী মালেম্দা লৈবনি
মথোয় পুম্বনা হায়বনি
লৈ হায়রি মঙোন্দদি

মুংগী মালেম্ মঙ্লান্নী
মঙ্নত্তে তাইবঙ্সিদি
মঙ্লান্দত্তা ফংলবদি
কদাইদনো নীংতম্বা মাপি ?

পান্গী মালেম্সু তাইবঙ্গী
মঙ্লান্বু ওইরবদি ,
মঙ্লান্দা মাবু ফংলদি
মঙ্লৈবাক্তা ফংগনি,

নীংতম্বত মঙ্লান্থগী
পীরবা মানা শোয়্দনদি ;
লৈরিবদো থুক্তা মাগী
লৈসমু মঙ্লান্দা ঐদি

ওক্টোবর ১৯৯৩—ইং

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

১৬

কৈদৌঙৈ অমুক ফংগনি

পোন্দা লৈবা চেক্লানা
পাইহনীংই নীংতম্ম
পোন্দ্রী নাম্নাকলা
সনাগী ঝিজবনা খোঙ্দা
অক্নাদা কোংলি তেরা.
চেঙ্ হরাই চু লৈমাই
কমলা হৈনৌ থক্ল ঈশিং
রাংপা হৈতে অক্লাদা
রাত্তনা পাম্মী পোন্দা।
থাক্তে চাদে নম্দে মকম
রাথল্না উংলি চেক্লাগা
চৌংগী লোক্ থাপ্লবা উমং
উফৈ 'মদা তোংমিন্না
ইশানৌগা লোয়নবা——
আঃ— কৈদৌঙৈ 'মুক ফংগবা ?
চেক্লা শাগপ, তোয়্রুবা

ঝিজুরদা হম্না-চৈক্রুবা
শদৌ থোংলে চেক্লাচা
ঈখেংনরে খায়াত্তো ।
পোন্সিগী ব্রাংমদা
ইশানৌগা লোয়্নবা
আঃ কৈদৌউমুক্ ফংগবা ?

আঃ কৈদৌউমুক্ ফংগবা
নীংতম্বা নীংতম্বা নীংতম্বা ?
চকচাং পোল্লাংদুং থরাইদি
থানীংদে চক্চাং পোলাংদি
পাইনীংই থরায় মান
চকচাংশিগা লোয়্নবা
অথিংবগী—ব্রাংমদা
নীংতম্বা পন্গী ব্রাংমদা—
থরাই চেক্লা মচাক্তি
থাদোক্লীংদে চক্চাং পোলাং
চক্চাং পোলাং য়াওদনা
ঐ ওইবা য়াদে ঐচাক্তা
ঐনি নীংতম্বা পাম্লিবা
ঐনি চংনিঙ্লিবা মালঙ্ব্রাংমদা
অতিয়া ওম্থৈ লান্না
অথিংবা পুম্বা সম্থতুনা ।
চংনীংই থৈনীংই নিয়মগী ব্রাংমদা
অফা অপুন্ লৈতনা

ওাইজরি নওবু নীংতম্বা

নীংতম্না নীংতম্না নীংতম্না—
আঃ কৈদৌঙৈ'মুক্ ফংগবা
নীংতম্বা নীংতম্বা নীংতম্বা ?

ঐতা নত্তে মখোয়্সু
নিয়ম্না পুন্দুনা লৈরিবা
পাম্নমলোইদ্রা নীংতম্বা
চংনীং ফম্দা চংখিবা
নিয়ম্গী রাংমা লান্না
অফা অপুন্ নমথত্তুনা ?
ওরবীং মুংদা লৈরিবা
গ্রহশিংসু করিগুম্বা
পাইনীংলিদ্রা নীংতম্না
ওরবীং রাংমা লান্দুনা ?
নীংতম্ববু পাম্দবা
ফংঙম্দ্রবু ফংনীংদবা
কনা লৈখি মালঙ্দা
কনা লৈনি তাইবঙ্দা ?
মতম্'মদা পাইরকখি হায়
চাওরবা থরান্ অমা
মাগী ওরবিৎতৈই নাম্থোকুনা
নিয়মত্তুগী রাংমদা
অফা অপুন্ নমথত্তুনা
পাইশিল্লকখি মুমিৎ তম্না

ওাইজরী নওবু নীংতম্বা

মানা নকৃশিল্লক্লগা
থৌরী চিংনখি মুমিৎকা মাগা।
মতুদা থোকৃখি গ্রহ পুম্বা
মচেৎ মচেৎ ফক্তুনা নুমিত্তগী।
"মাঙ্বা তারে জগত্সি"
শকৃউদবনা খামৃজিনৃখি
চিংথোকৃখি থরান্দো
লৈহনৃখি মাগী মফমৃদা
কল্ল' নিয়ম্ন পুন্দুনা
ফাজিঞ্জহৌই নুমিৎনা
গ্রহশিংদো মাগী মচা।
নুমিত্তুদৈ ঙসি ফাও
কোয়্রী চৎলি গ্রহশিং
নুমিৎ মাগী অকোয়্বদা
কল্ল নিয়ম্না পুন্দুনা।
থল্লিব্রা গ্রহশিংসি
পাইরখিনি নোংমদি
চৎলখিনি নীংতম্না
অফা অপুন্ রাংমদা
কল্ল' নিয়ম্ থৌওইদা।
আঃ কৈদৌঙৈ অমুক্ ফংগবা
নীংতম্বা নীংতম্বা নীংতম্বা ?

জেলদা লৈবা ফাদোক্লা
পাম্ই খোইরাংই তত্তনা

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

চেক্পন্ ৱাংমগী নীংতম্বা
শক্তি মিংয়েং চঙ্দবা
হয়াওজৈ নীংতম্লে মহুতং ফংবদা
শায়োক্শঙ্গী শাশিংনা
পান্মী খৌরাংই তত্তনা
শারং ৱাংমগী নীংতম্বা
উমংদা কোয়চেন্ চেঞ্জবা
হয়াওজৈ নীংতম্লে মহুতং ফংবদা।
পোন্গী উচেক্ কয়ানা
পান্মী খৌরাংজৈ তত্তনা
পোন্ ৱাংমৈ নীংতম্বা
অতিয়া কোয়্না পাইজবা
হয়াওজৈ নীংতম্লে মহুতং ফংবদা।

খল্লুদে মখোয় লৈরি লেঙ্দনা
লানতম্দবা মতম্গী চেক্পল্নুংদা
কোয়াশল্লি-লান্থোকত্রি
নিয়ম্গী চেক্পল্ কায়তমদ্রবা
তাইবঙ্গী চেক্পল্ লান্তমদ্রবা।
কনাশু খঙ্দে তশেংনা
থাঙ্জেংবা নীংতম্বা
কদাইদা লৈবগে
কদাইবু কৌবগে ?
অদুবু খল্লি তত্তনা

ভাইজরী নওবু নীংতম্বা

কৈদৌগৈ অমুক্ ফংগবা
নীংতম্বা, নীংতম্বা নীংতম্বা' ?

লেঙ্‌হন্দবনা লেঙ্‌নীংবা
চৎহন্দবনা চৎনীংবা
পাইত্তম্দবনা পাইনীংবা
পাম্লুই থল্লুই, মতুঙনি নীংতম্বা
মতুঙখক্তা ফংবদা
ফংলে থল্লুই নীংতম্বা
অদুবু লৈরম্মী অথিংবগী চেক্পল্ পল্লোন্ নাইনা
ঙাকুই লানথম্দ্রা ঈপাক্' মদা
চাংজো নাইদ্রবা ঈপাক্
ভম্খৈ লৈত্রবা আকাশ
পোক্পা শিবা তাহবঙ্‌গী
হোংনাইদ্রবা কাল্ চক্র
লীংঙম্দ্রবা কুংলবা শম্বন্ ।

আকাশকী ভম্খৈ লৈরবা
করি লৈরি আকাশ য়াংমদা
করি লৈরি মতুংগী মথংদা
ঙম্গদ্রা ঐবু মফম্তুদা চৎপা ?
ঐ ওইনা থরাই-হক্‌চাং পুন্না ?
নীংতম্ববু পাম্দবা
ফংঙম্দ্রববু ফংনীংদবা

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

য়োঙমদ্রববু য়োনীংদবা
কনা লৈ তাইবঙদা— ?
হকচাং য়াওদবা থরাইনা
শিরগা নীংতম্বরা
য়োঙমদ্রববু য়োবরা
ফংঙমদ্রববু ফংবরা
চৎঙম্বরা আকাশ ৱাংমা ?
শিরগা থল্লাইনা নীংতম্বা
খঙস্নু খঙদে পাম্স্নু পাম্দে
মিহৌবস্নু লৈজদে ।
ঐনা পামই ঐনা নীংতম্বা
থরাই হকচাং পুন্না নীংতম্বা
কৈদৌঙৈ অমুক ফংগবা
নীংতম্বা, নীংতম্বা নীংতম্বা ।

কদাইদা লৈ নীংতম্বা ?
পোকপা শিবা তাইবঙগী
চেক্পন্ নুংদা লৈরিবা
লানুঙমদ্রবা কনানা
ফংনি নীংতম্বা করম্না ?
হায়নৈ বেদ-পুরান্ কয়াদা
লেঙবা লাক্পা লৈতবা
অমত্তুংদি লৈ মনীংতম্বা
অমত্তনা ময়াম্ ওইবা

ভাইজরি নঙবু নীংতম্বা

ময়াম্না অমত্তা ওইবা
মহাক্কনি নীংতম্বা
মীনা ফংবা লৈত্রবা—
ঐস্মু মহাক্ ওইনীংই
মথুতনা ঐগী আশানি।
নত্রনে নীংতম্বা হায়বসি
মীওইবগী আশা
মীওইবনা পাম্জবা
তাইবঙ্সিদা লৈতবা
রাখল্গী ফুরঃ অরোঙ্বা
ফংবা ঙম্দ্রবা অপাম্বা ?
লৈদোঁইঙে অমুক্ ফংগবা
নীংতম্বা, নীংতম্বঃ নীংতম্বা ?

জানুয়ারী ১৯৯৪ ইং

ডাইজরি নতবু নীংতম্বা

১৭

নিবা

কনানা নিরি নাঙান্দা তিঞ্জগে
কনানা নি-নঙ্গী সেবা ফংজগে
কনা'মনা নিরি ননাক্ নক্সগে
কনানা নি নঙ্গা সোয়ননা নৈজগে
কনা'মনা নিরি ননাই ওইজাগে
কনানা নি নঙ্বু মচ ওইজগে
কনা'মনা নিরি মকপ্ ওইজগে
অমনা নিরি নঙ্গী চান্নী ওইগো
  ঐনা নিরি ঐহাক্কি নঙ্ ওইজাগে
  ঐনা নিরি ঐ নঙ্গা মান্নজগে ।।

নিবিবা মীগা পিরিনা মীত্তগা
মান্ন' য়াবরা য়াবরা মান্নবা ?
নিবরা নৈতেনা—নেনা নৈনা নিবা
কারাম চাওবা তাম্লিবরা আন্তনবা ?
শুক্রেমক্ নৈতবনা নৈননবা
অবৈবনা হেন্না হেন্না সৈননবা
নিরিবরা ইকাই ইক্কি রাংমা লান্
নিরিবরা নঙ্না ইনজংপুন্না য়োন্
    অতুর ঐনা নিজার ওইজগে নঙ্
    নিজরি ঐনা মান্নজগে নঙ্' ।।

ডাইজরি নঙবু নীংতম্বা

নিরিবা ত্রিদি মায়্ পান্দে মায়্ পান্দে
ইকায়্বস্থ লাইমা খঙ্দে, লাইমা খঙ্দে
নিবত্তদি হন্বা নাইদে, হন্বা নাইদে
নিফম্ অত্থু চারম্ থরুম্ খঙ্হন্দে
লৈফম্ চৎফম্ খঙ্ন্দে খঙহন্দে
অনম্ কল্লি চাক্লীবা ঐ মায়্ পান্দে
ইকায়্বা লৈতে, সিংদা হন্বা নাইদে
চারম্থরুম্ খঙ্হন্দে খাঙ্ফম্ লৈতে

থক্তোকে নীংলবা খরদি পীবা তাই
থৈদোকে খল্লবা পীনীংদ' পীবা তাই।

লাইমশু থায়্ মায়্ অনম্—কাল্লবা
খোংপাক্লা কাও তাল্লফাও, লৈতে হন্বা
অয়াক্পা মাচৈফাও নাইদে ইকায়বা

থোক্খোক্ ঈল্লফাও তোক্কে খোঙ্দা কোন্বা
ইকায় সঙ্গোয় হাঙ্গল্লি মমাম্লবা-মাঙ,
কপ্ন- নীরু লাউর পীবিয়্ খরা
করি তৌগনি রাখন্ থোক্কে মুপা
মামাও পোনাঙ্ নাইদে করিনো তৌদোবা।

চোপ্লোই খল্লবা খরদি পীবা তাই
থৈদোকে থক্তোকে-হাপনীংদ-হাপ্পা তাই।

ডাইজরি নওবু নীংতম্বা

নিববু কল্লবা—লেপ্তুনা নিরবা
শোগ্নদে অমনদি হাপ্লকৃই ঝুলীদা
মায় থা—মায় পান্দবা ঐনি চাক্লীবা
নিরি হন্‌বা লৈত—খরদং ফংনবা।
য়াদবনি ঐদি খরদং ফংদবা
নিবা ভাবনি থিঙুনা পীওম্বা
য়াদবনি ঐদি খরদং ফংদবা
লৈররোই ঐ নুমিত্তুদা ফংদবা
ভাইবঙসে ঐনি: ঐচাকস্ন ভাইবঙনি
ঐনা লৈবনা ভাইবঙনা লৈবনি।

ইরৈ লৈভবা ঐঙোন্দদি খরদং
ফংলিবা অতু ফাও, য়াম্মনখ্রবনি—
ফংদ্রগা শিবা—ফংলগা হিংলিবা
ঐনি নিঙুনা হিংলিবা, মীপান্ ভাংবা
ঐগী আশানি মীপান্ ভাংদনা হিংবা
ঐনা পাম্জবনি ইনীং তম্না লৈবা
থিরিবনি ঐ, কদাইদা লৈ নীংতম্বা
নিঙুনা—হুম্তুনা লৌজগে নীংতম্বা
মীপান্ ভাংদনা হিংনবা ভাইবংসিদা
মুঙাইবৈই মহাও ফংনবা পুন্‌সিসিদা

ভাইজরী নওবু নীংতম্বা

নিংগিবসু নহাক্কী পীরিবসু নহাক্কী
নিষনা ইথৌনি পীবনা নশিন্নী
মৈহৌরোন্ পুরান্ পুয়া কয়াদা য়াওরী
য়ারী কয়া, নঙ্না পীখিবা বরগী
নিরবদা লৈতে নঙ্না পীদবা
ঐতনা ওমুক্কদবনি লৌজবা
ঐনা খুজাইনি পীবনা সনাপুল্নি
সনাপুল্গী ঈশিং করম্ চন্নি খুজাইদা।
ঐনা নিরি ঐ ওইজগে নীংতম্বা নঙ্,
নিরিবসু নহাক্কী পীরিবা মীসু নঙ্।।

মে ১৯২৪ ইং

ডাইজরী নঙবু নীংতম্বা

১৮

হৃৎলয়োই ঐদি

মায়ারা অওইবরা হৃৎলয়োই ঐদি
হৃৎলুহ্নবু করি কান্নগনি
মাগী মাঙ্গী মোং শীনবা নত্তনা
চুম্না তাকৃহুম্না কনাম্ম লৈত্রবদা ।

যোগী ঋষি মুনি অখণ্ড অহৈনা
কয়া কয়া থিজ্জ হৃৎজ নঙোন্দা
হায়রে শিনি'হ্নান ওইদবা মায়া
তাক্লে শিনি'হ্নুনি অচুম্বা, অওইবা ।

কনানা হায় "জগত মিথ্যা ব্রহ্ম সত্যম"
খরনা হায়রি 'মহূ ঐনি 'সোহম্'
কনানা হায় মহূ নঙনি—তত্ত্বমসি
খরনা হায়—"অয়মাত্মা ব্রহ্ম" ।

জগত য়াওদবা ব্রহ্ম লৈবরা
ঐ ওইরদি-ঐ নত্তবা লৈবরা ?
মহূনা নঙ—ঐনা কনা ওইবা
আত্মানা ব্রহ্ম, ব্রহ্মদি কনা ?

ঐ খঙ্দে অমত্তা খঙ্দে হংফম্ খঙ্দে—
মখোয় পুম্বা অমত্তা মান্নদে
তাক্পিবরা পুন্নমক্ খঙ্বা নঙ্না
অচুম্বদো পুন্নমক্ খঙ্না খঙ্না ?

তাক্খিবরা অচুম্বদো নঙ্না
তোঙান্ তোঙান্ মখোই খুদীংদা
নত্রগা মখোয়না খঙ্লরা শেরান্না
তোঙান্ তোঙান্ মানা মানা পাম্বা ওংদা।

হায়ররিবরা তাক্লরিবরা
নহাক্না তাক্খিবা রা কয়া
মখোয়্নদি চুম্বী হায়না খঙবা
নহাক্মক্না তাক্পত্নদি নঙবা।

নত্রগা মখোয় পুম্বনা হায়রিবা
তাক্লিবা—মায়া অচুম্বা
তোঙান্ তোঙান্বা মওংলা নহাক্না
মখোইদা তাক্খিবা হায়খিবা অতুত্তা

অচুম্বগী মায়াগী মফম্-মতম্গী
হায়বীয়ু মতম্ লৈবরা মায়াগী
তাক্পীয়ু মফম্ লৈবরা অচুম্বগী
হায়বীয়ু মতম্ লৈবরা অচুম্বগী ?

ঙাইজম্রি নঙবু নীংতম্বা

কদাইদা লৈ খেন্নবা মায়া অচুম্বা
কদাইনো মান্নদ্রিবা জগত, ব্রহ্ম
পূম্নমক্ নত্তবরা মায়া
পূম্নমক্ নত্তবরা অচুম্বা

করম্না খঙ্নি জগত মিথ্যানি
লৈরম্লদি ব্রহ্মতা জগত য়াওদনা
পীবিয়ু নঙ্না খঙ্জবা নীংতম্না
ইতোমতা কনাগী মতেং য়াওদনা

সত্যনা করিনো মিথ্যানা করিনো
ব্রহ্মনা কদাইনো জগতনা কৈদনো
মায়ানা করিনো অচুম্বনা করিনো
ঐনা কনানো নহাক্না কৈদনো ?

পুক্নীংনা থাজে. লৈ হায়না লেপচরে
পূম্নমক্ খঙ বা পূম্নমক্ তাকঙম্বা
অমত্তা ঙায়বা লেঙ্দবা অমা
গুরু পূম্নৈ গুরু অহো অরোই লৈতবা ।

মীপূম্ তিংনা হায়নৈ শকউদবা মানি
শক্খঙ্দবা মানি মীনা খঙ্ঙম্দবা
শকউদে মখোল্ তাদে হায়নৈ লৈতবনি
অত্তুবু করম্না হায়সিগে লৈতে মাদি

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

করম্না হায়সিগে মশক্ উদে
করম্না হায়সিগে মখোল্ তাদে
ঐখোইনা উরি অকংপা লৈতনা
ঐখোইনা তোরি মখাস্স তত্তনা

জগতস্থ মানি মায়াস্থ মানি
ব্রহ্মাস্থ মানি সত্যস্থ মহাকী
জিবাত্মাস মানি পরমাত্মাস মানি
মতম্স মানি রাখলস মানি

করমা উদে হায়সিগে মাবু
উনা উমা পুন্নাক থিংনাংঙ্ মক্কদা
করমা তোদে হায়সিগে মাগী মখোল্
কনা কানা খোংঙোল্ পুম্বা নাকোংনা ।

হে-শকউনা শকউবরা
হে—লেংঙী-পা হুনা লেঙ্দবা
তাইবংদা মালঙ্দা লৈরিবা
পুক্নীংদা রাখল্দা উরিবা

নখোলনা তোইনং শুম্লিবা
অথাক্ অরাও অক্সি শাখঙ্ ওইরিবা
পীনৌ নঙ্না নীংজম্না কনাগী মতেং য়াওদনা
নঙ্ভর খঙ্জবা লেপ্না ।

সেপ্টেম্বর ১৯৯৪

ভাইজরি নঙবু নীংজম্বা

১৯

পাঙথোকচগে ইনীংতমনা

ঐহাক্ চৎলি থোঙ্না য়েংজনা মায়কৈ মরি
য়েংলি মুন্না কুপ্থনা কদাইদা লৈরি নঙ্দি
কোচিন্ কোয়া চিংথাদ হজিন্ হজিন্ মযেংলি
খিরি হুম্নী মফম্ খুদীং ফংবা লৈতে নঙ্দি ।

তির্থ কয়া চৎলুরে লাইফম্ কয়া য়োকুরে
কাকুরে হিমালয় য়োকুরে কেদার বদরি
চৎলুরে খা সমুদ্র থিকুরে কন্যাকুমারী
লৈবম্দে লৈরম্দে উবা ফংদে ঐদি ।

বেদ পুরান্ উপনিষদ্-বাইবল্ কোরান্ ত্রিপিটক্
য়েংলুই পাকুই লামায় কয়া হাইদোক্ হাইদোক্না
ইরম্বরা তাক্রম্বরা হাযরম্বরা নঙ্গী নশক্,
নঙ্গী লৈফম অশেংবা, ব্রাহ্মণা শেম্বা নত্তনা ।

মালেমগী লাইরকশঙ্ কয়াই ফাকুই কোর্বেক কয়া
পণ্ডিত মায়চৌ কয়াগী তাবু মুংদা লোৎলিবা
মানা মানা থাজবা মসিনা মরোইরে খঙবা
য়েংলুরে কোর্বেক কয়া কয়া লকাং চারবা ।

ঙাইজরি নঙবু নীংজম্বা

সাধু, সন্যাসি, ভিক্ষুক, পীর, উলেমা, সন্ত
হংজরুই অমত্তা থাক্ত' পণ্ডিত মায়চৌ কয়া
মখোয় খূদীংনা তাক্‌পীরক্‌ই নহাক্নী নশক্ লৈফম্
নমিং মানা মানা খণ্ড জ্ঞ-উজ তাজ-থাজবা

মান্নদে' মক্তা মান্নদে. খৈন্নে তেঁ'ঙান্ তোঙান্
নশক্ নমীং লৈফম্ শায়রি তাক্লি তোঙান্ তোঙান্
মান্নবা অমত্তংদি লৈ তোঙ্গান্‌বলক্‌সিদা
হায়জবনি খণ্ড্‌জবনি তোঙান্ তোঙান্নদা

সিমদি মান্নে মখোয় খূদীং রাখল্‌না য়েক্‌পনি
তোঙান্‌বা পুন্নমক্ মীওংবৈ রাখলতননি।
নঙ্‌নস্ত তাক্‌খি শায়খি "পীবিবনি ঐনা
মানা মানা নীংজবা মতুংন্না তোঙান্ তোঙান্না।"

অতুনা ঐগীস্ত য়েক্‌চরগে ইনীং তম্না
নঙ্‌গী মুক্তি-ঐনা পামজবা মতুং ইন্না
লাংচগে মুক্তি অতুতবু থম্মোই নুংদা
ঐনা পাম্‌জনা শাজরিবা ইনীং তম্না।

ঐগী রাখল লম্‌জীংবীয়ু থরাই তানা য়েক্‌হন্‌বীয়ু
পূক্নীং চঙ্‌না শাহন্‌বীয়ু ঐগী পূক্নীং হুহন্‌বীয়ু
থম্মোই য়াওনা শেম্‌হনবীয়ু ঐগী থম্মোই খোয়্‌রাংহল্লু
"ঐ, মদো, জগত' ব্রহ্ম" পুন্নম্‌ক ওইহন্‌বীয়ু।

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

ঐনা ইনীং তম্না য়েক্চখিবা শাজখিবা
মুর্ত্তি অসিনা থম্মোই মুংদা লাংচরিবা
হুখিত্নুনা ঐগী পুক্নীং লোইনা অমত্তা খাক্কা
লেহৌদরে ঐগীদি মচেৎ অমত্তা ফাওবা।

পুক্নীং য়াওদরবা রাখল মাওখ্রবা ঐনি
তম্নরোই শুকৃতম্ তম্নরোই চংলুবা জ্ঞানগী লম্বী
ওইখোক্লরোই অমুক্ খোঙদারুব কর্ম্মগা লম্বী
থিরুবা ফাওবা তম্নরোই অমুক্ ভাক্তগী লম্বী

ঐগী পুক্নীংগী লৈফম্ হুৎনা থমখিকম্সিতা
য়েংহুনা লৈজগে মিৎ কুপ্নুনা হমিৎ পেন্না
থাদোকপা লৈত্তনা হম্জগে ঐগী থম্মোইদা
মখোঙ্ কোন্দুনা হায়জগে লৈক্কগে নাক্তা লেঙ্দনা।

শঙ্জগে হুখ্রবা থম্মোইদো মাঙ্দনবা
ওইজরগে ঐসে পুক্নীংদো নঙ্না হুখিবা
ওইজরগে ঐসে রাখলদো পুক্নীংনা পুখিবা
মতু ফাওবদং পাঙথোক্চগে ইনীংতম্না।

মার্চ্চ ১৯৯৫ ইং

২০

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

গুম্বিং কয়ানিমুক্ খল্লক্নী ঐনা
যুগ কয়া চুপ্পা থিরক্নী মীওইবনা
কদায়্দা লৈ অমত্তা ঙায়্বা নীংতম্বা
থম্লায় পোম্বা ওইরি তাম্লবদা ফংনবা ।

নীংতম্বা নঙ্না পীবিরি মুংঙাইবা
থিংঙম্দবা য়েংঙম্দবা অনীংবা
কৈদৌঙৈনো ফংগদবা নহাক্পু
য়াওননবা মুংঙাইবচুদা ঐস্মু ।

নহাক্ য়াওদনা ঙইথোক্কে নীংতম্বা
নঙ্বুতনি মুংদা ঙাইজরিবা
অসিতনি পাম্জরিবা জিবনা
হিংলিঙৈ লৈরিঙৈ অহিংবা ওইনা

মুংনা ঙাইবা পাম্জবনি নীংতম্বা
ঙাইবমুক্ মুংঙাইবা কদায়্দা লৈরিবা,
চেল্লি চোংলি হোৎনরি ফংননবা
ঙাইবদি তোক্করি মাঙ্দরি আশা ।

ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা

হিংলৈবাক্, শিরৈবাক্,, মঙ্লৈবাক্তুরা
মালেম্দরা' স্বর্গদরা পাতালদরা
অখঙ্বা খঙ্দবা য়েৌঙম্দবা
কদাইদনো নঙ্না লোত্তুনা লৈরিবা

তাক্পীয়ু শেংনা মক্ষম্তুতদি
য়ৌনবা হোৎনজগে মতুতদি ।
কদোম্দনো অমত্তা ঙায়্বা নীংতম্বা
নঙ্গীমক্তা থব্বায়না পোম্বা ওইরিবা ।

অশিবনা অমম্বা ওইদ্রবদি
শিবগা হিংবগা মান্নরবদি
মঙ্লৈবাক্তা অশেংবা ওইরবদি
অশেংবা শেংদবা খেন্নদ্রবদি

হিংলৈবাক্তা লৈত্রবসু নীংতম্বা
শিরৈবাক্তা নঙ্বু ফংনি হায়রবা
মঙ্লৈবাক্তা নঙ্না লেঙ্দনা লৈরবা
মালেম্ স্বর্গ পাতালগী লম্বী খঙ্লবা

হন্নাওনা চৎকনি অশি লৈবাক্তা
কোয়না থিরুনি নঙ্বু মঙ্লৈবাক্তা
চৎকনি স্বর্গ মর্ত্ত পাতাল্ থুংনা
নঙ্বু ফংনবা হে অখোইবা নীংতম্বা

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

নীংতম্বা নঙ্‌না পীবিরি মুংঙাইবা
নঙ গীমক্তা থরায়্‌না পোম্বা ওইরিবা
কদায়্‌দনো ফংগদবা নহাকপু
য়াওননবা মুঙাইবত্থদা ঐশু ।

যুগ কয়া চুপ্পা থিরক্লিবা নীংতম্বা
হৌজিক্‌ ফাওবা থিবা ফংদ্রিবা অথোইবা
অথঙ্‌বা খঙ্‌দবা য়ৌঙম্‌দবা
কদাইদনো নঙ্‌না লোত্তুনা লৈরিবা ।

থিরি হুম্‌লি হোৎনরি ফংননবা
ঙাইবসু তোক্করি মাঙ্‌দরি আশা
নহাক্‌ য়াওদনা করিগুম্‌ চংঙম্‌দবা
নহাক্‌ য়াওদনা শুকয়ৌ য়ৌঙম্‌দ্রবা

নঙ্‌না ননাক্তা পুবিনি ব্রাশক্লবা
ঙাইত্থনা লৈজগে নঙ্‌না লাক্ত্রি ফাওবা
নুংনা ঙাইবা পাম্‌জবনি নীংতম্বা
ঙাইবমুক্‌ নুঙাইবা কদাইদা লৈরিবা ।

মার্চ ১৯৯৫

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

২১

অমম্বনিকো নীংতম্বা

মতম্দি য়োৱক্লে নীংতম্বা
নম্থংলে অফা-অপুন্ পুম্বা
লাম্লোক্লে নিয়ম্গী পন্পুম্বা
লাম্লোক্লনি কাল্-চক্রম্বাংমা

খোঙ্দারেদো অমম্ লম্বীদা
চংলি মিং উইশীন্ লম্বীসিদা
খঙ্দে চংকনি কয়াম্ থাপ্লা
খঙ্বা ভম্দে থেংননি কনা

অমম্বদা কনা উগনি
মিংসিস্নু উইশিন্ চংলিবনি
ভাল্লিবৈ ভম্হৌদে মিংপাঙ্বা
শেম্হৌদে মৈনমস্নু পায়নবা

অমম্বদা করি লৈরিবা
কনাস্নু হায়ভম্ব্রি ভসি ফাওবা
অমম্-লম্বী লোনাইদ্রে' লম্বীরা
লম্থুং খঙ্দা ভম্ চংপা ভাবরা ?

ভাইজরি নঙবু নীংতম্বা

অওইবনি,—কদাইদা থুংলুবা
খঙ্‌ঙম্‌দ্রি কনা ঙসি ফাওবা।
থাজনরী মীনা ধর্মৈই রা
অখঙ্ অহৈ কয়ানা হায়বা।

স্বর্গ নোরোক্, হেভন্-হেল্, লাইরৈবাক্
অশি লৈবাক্—শিরগা লৈরুকম্
হায়রি খঙ্‌হৈ হায়বা কনানা
মানা মানা তৌরু' তুং ইন্না।

অমম্ লম্বীদা চংলিবা মী
থুংলুনি মফম্ অমদদি
ওইবা য়াই মফমতু নোরোক্কী কোম্
অরা-না মীওং মীনৈনা থন্‌বা,

ওইবা য়াই স্বর্গ—মুঙাইবনা
থল্লবা অরাং অপা লৈতবা।
নত্রগা তন্না হন্‌খিবা য়াই তাইবঙ্‌দা
হেন্না-ফবা-হেন্না-রাবা মপোক্কা।"

অমম্বদা করি লৈ হায়্‌বা
অমম্বদা লেপ্পা চংলি হায়্‌বা
উরুবা তারুবা লৈতে কনা
হায়বতনি মানা মানা থাজ'বতবা।

তাইজরি নঙবু নীংতম্বা

রাখল্নি—থাজবনি হায়্নবনি—
সিম্দি শোয়্দনা চুম্গনি
অমম্বদা অমম্বা লৈগনি
অমম্বা হায়বসি খঙ্দবনি

উদ-ভাদ খঙ্ঙম্দবনি
জ্ঞান্গী ইন্দ্রি মঙা মক্লা
কর্ম্ম ইন্দ্রি মঙা মক্লা
থাজরুবতনি রাখল্না।

নীংতম্বা ফংঙম্দবা পোংনি
নীংতম্বা খঙ্ঙম্দবা শক্তী
অমম্বস্থ খঙ্ঙম্দবনি
অমম্বা—কাল্চক্র রাংমদনি

মঙাল্গা কায়নরবা অমম্বা
তাইবঙ্গা শেংনরবা অমম্বা
ওইরবনি লেপ্পা খঙ্দবা
ওইরবনি লেপ্পা নীংতম্বা

তাইবংগী অফা অপুন্ রাংমনি
অথিংবা লৈত্রবা অহাঙ্বনি
কনানসু খঙ্ঙম্দ্রবনি
লেপ্পা ফংল্বা নীংতম্বনি।

আগষ্ট ১৯৯৫

মথঙ-ভাইবীয়ু

ভাইজরী নঙবু নীংতম্বা

শ্রীএলাংবম সোনামনি সিংহগী লাইরিকশিং


শৈরেং—১। রাখল শৈরেং (১৯৪৯) ২। শংবানবী (১৯৬২)
৩। থম্মোই বিনা (১৯৬৭) ৪। লৌনমচাওবী লৈরাং (১৯৬৭
৫। কায়নবদা (১৯৭৩) ৬। অনিথোক্লবদা (১৯৮০)
৭। পোমশাংনবী (১৯৮৫) ৮ মিংনাইদবী (১৯৮৮)
৯। অশিবগী লোনবু অহিংবনা খণ্ডবরা (১৯৯৩)
১০। ভাইজরী নণ্ডবু নীংতম্বা (১৯৯৬)

খণ্ডকাব্য—১। উদ্ধবকী পাউ (১৯৮৩) ২। দক্ষ যজ্ঞ (প্রেস্তা)

রারীমচাঃ—১। মির্ম্মল যমুনা (১৯৬৬) ২। রোমকুদা শিকার (১৯৭৩)
৩। মংশং তানবা (১৯৭৮) ৪। জগন্নাথ পূজারী (১৯৮২)
৫। মমাঙথোঙ লোল্লবাদ মনীংথোঙদা লাকউদনা (১৯৮৫)
৬। হায়নবীদো (১৯৯০) ৭। মৈতৈগী ইজ্জৎ (১৯৯৫)

উপন্যাস—১। বসুমতী (১৯৮৪) ২। হাজারী মচীন-মৌপা (প্রেস্তা)
রারেং ১। বারুগী রারেং শৈরেং (১৯৭৮)
হন্দোকপা ১। চণ্ডীদাস (১৯৯৩)





সোনামনিসিংহ্মী

ঙাইজরী নঙবু নীংতম্বা

"শঙজগে হুপ্রবা থম্মোইদো মাঙদনবা
ঙইজগে ঐসে পুক্নীংদো নঙনা হুখিবা।
"নংনা ননাক্তা পুবিনি রাশক্লবা
ঙাইহনা লৈজগে নঙনা লাক্রি ফাওবা
মুংনা ঙাইবা পামজবনি নীংতম্বা
ঙাইবমুক মুঙাইবা কদাইদা লৈরিবা ?"

ফংঙমত্রবা নীংতম্বা তাম্নবদা
অইবনা হায়জরী—
ফংনি রাখলদা ঙাইজগে
ফংত্রিফাও মুঙাইনা।

— পাঠক —

Printed at Sucheta Printing Works.
Moirangkhom Loklaobung Imphal